

এধ. পি. পারিকেশুবন



দিমান্দ লেটর



অইবা :—
কমলকুমার নাউশেকপা
থামোন কমপু।



অফোঙবা :— এন. প্রিয়াবর্ত্ত পব্লিকেশনস
ব্রাংখিং সোরোকখাইবম লৈকাই।
পি. ও. ব্রাংখিং — ৭৯৫১৪৮

পাব্লিকেশনদা তেংবাংবিবা :—
১। নারেংবম ইবোতোম্বী সিংহ (ইপা)
২। নারেংবম ওংবী ইতোচা দেবী (ইমা)

কোপি মশিং ৮০০ (চনিপাল)
অহানবা ফোঙবা জুন :— ১৯৯৮

মখুমগী লাইয়েকপা :— হৈক্রুজম লোকেন্দ্র সিংহ
শগোলবন্দ নেপ্রা মেনজোর লৈকাই।

মখুম নম্ফম :— BUT Printors
Wangkhei khunou, Imphal.



মমল লুপা ৩৫/- (কুন্থ্রামঙা)
হক পুন্নমক অইবগীনি।
Courtesy to DDK. Imphal.

লাইরিক ফঙফম :—ইম্ফালগী লাইরিক য়োনবা দুকানশিং
অমদি অফোঙবা মশাদগী।

লাইরিক নম্ফম :— সন প্রেস, পাওনা বজার, ইম্ফাল।

অইবগী ৱাহৈ খরদং

চিরম্বা মতমদা ইজখিবা লিলা মচাশী মনিপুর পুলিস ব্রায়ারলেস কলচরেল ইউনিটনা হৌখিবা ৬ শুবা ইন্টর স্টেট সিভিল সার্ভিসেস ড্রামা কমপিতিসন ১৯৯৮ দা পুথো-কপিবগীদমক থাগৎচবা কোংদোকচরি। লোইননা ইহাল হান্না ড্রামা কমপিতিসন অসিদা শরুক য়াবদা ঐগী Demand letter না First তারকপদা হায়কম খঙদনা নুংঙাইবা ফাওই। মথংদা DDK Imphal না লৌশিনবিদুনা লাক্লিবা জুলাই/৯৮গী তাং ২ দা telecast তৌগদৌরে। থাক অসি য়ৌরক্লবা হোৎনবদা অরা অনা পুথিখবা ইচিল ইনাও খিবিকপু ঐনা তৌবীমল থংবা উৎচরি। হৌবদগী লোইবা ফাওবদা মশাগী অচিনবা কয়া কাইথেবদুনা Script অসিবু copy তৌখিবা ঐগী নুংশিরবা ইনাও ৱাইঃ জয়বুস্থ তৌবিমল থংবা উৎচরি। অরোইবদা লিলামচাশী লাইরিক ওইনা পুথোকনবা হোৎনবদা চাওরবা থৌদাং লৌবিরিবা এন পি. পব্লিকেশনস ব্রাংজিৎবু ঐনা থম্মোয়শেংনা থাগৎচরি।

কমলকুমার নাউশেকপা।

লাইরিকসিগী মরমদা

মনিপুরগী ড্রামাগী হীরমদা শ্রীকমলকুমার নাউশেকপনা ইবা 'দিমান্দ লেটর' পনবা য়াবা, য়েংবদা মতমগা চুনরবা অমসুং সমাজদা তমজনিংঙাই ওইবা পাওতাক কয়া পীবা ড্রামা অমনি। ড্রামা অসি য়েংলুবদা অঙকপা অমদি য়াম্না হেন্না শি থানিংঙাই ওইবা বাকম অমদি সুপীগী শক্তম য়াওদনা মপুঙ ফাবা ড্রামা অমা ওইনা ভাবক্তা সুংঙাইহনবা ঙম্বা অমসুং মতমগা চুনরবা মওংদা শান্নবা মশান্না অসিনি। সমাজ অসিদা পুলিস অমসুং পব্লিক অনিগী মরিক্তু ভাব তানা লৈফম থোকই হায়বা মমল য়াম্লবা শক্তম অমা ড্রামা অসিনা ঐথোয়দা ফোঙদোকই। শুপ্নগী ইমুং অমদা থোকপা থৌদোক অমদা যুম্ফম ওইবা ড্রামা অসিনা সমাজ অসিগী মীওই খরাগী শক্তমবু ময়েক শেংনা নৈনৈ অমসুং অফ-ফত্তু খুদিংমক ড্রামা অসিবু য়েংলিবা অমদি পাম্নিবা ঐথোয়না হঙবা লেমই। ঐনা হেন্না আশা তৌই মতুদি নৌনা ইবগী লম্বীদা খোঙদারক্লিবা শ্রী কমলকুমার মাউশেকপনা হেন্না ফবা লিলা, ড্রামা, বারেংনচিংবা কয়া ইতুনা মনিপুরগী সমাজবু মশক তাকপা অমসুং সমাজ শেংদোকপদা মপুং ফাবা থৌদাং লৌবিতুনা ইজাতি অসিগী সেবা তৌরকখিগনি হায়বসিনি ঐনা ঈশ্বরগী মফমদা থম্মোই শেংনা নিজরি মতুংদা অইবগী হেন্না ফবা খুদোল কয়া তৌরকপদা শেম্বীবা মপুনা চান্দবীসনু।

M. Rachandra Singh
Director, Police Wireless
Manipur ,Imphal

ৱাহৈ অমা অনিদং

Manipur Police Wireless না Inter Office Drama Competition য়াওনবগীদমক ইহান হায়া শায় খিবা ভেম্লবা মতমদা ইখিবা Kamalkumar Naoshek pa গী Demand Letter মতমসিগী চায়রবা ফিলানি । মমিং অসি তাবদা য়েংনিংবা, তানিংবা, থংনিংবা অমদি পোকই ।

মপা অমতনা পোকচবা মচাশিংদা নাম্লবা মীৎয়েং য়েং-বিদবা, চাকথুং ফিজুং মাম্লহন্দবা, অচান-মীরাই নাইবিবা কয়াশিনা, লাইরিক তমশিল্লুরবা শুকম নোমকম থংত্রবা মচানা মথর'য় শোকখিবা হায়জবা খুদিং তাবিখিদবা পেন্দবা কয়া শিদগী মপাগী মকমদা শি'নতুনা তৌহৈত্রবা থবক চৎখি । Police না মরাল লৈরবা মচা অতোনবতু ফারগা পুরক্লগা অশেংবতু থংহনখি । মচাশিংবু কে'নশিনবিনবা, মমা ওইবী নুপী য়া'ওদবা য়ুংাল ওইখিবদগী নিংথিনা য়েংশিনবিহৌদবদগী ওইরকলিবা ফিভম অসিদা নিংভমদবা পোত্রকখি মপাতু । মমা-মপা ওইবশিংগী মরাম্লি থনখি । অতুবু, মতম লৈরি-ভৈ, শেমদোকপা য়াবা মীওইবগী পুন্সিনি থম্না, Police Inspector অতুদা হায়জরুই ॥ মমাংদা শোইখিবতুগীদমক অমুক্তুংদি মচাতুবু রারক রাভেমতুনা মচাতুগী লায়ত্ব লৌজগে অহানবগী ওইনা হন্দকি মরানশি ভাকপীয়ু । এজাবু ভাক-শেনবিরিবা অমদি আইনবু ভাকুনা থমলিবা Police থক্তনা

অৱানবা মীৱু চুমথোকপা ওইথোকলোই । ময়া-মপা, তংহুল-লমনশিংগীসু চাওরবা থৌদাং লৈ । পুম্না চৎমিননরবতদা অচুম্বা মায়কৈদা লাকপা ওমগনি অফবা সম'জ অমা ওইহনবা ওমগনি ।

ৱাখল্লোন অসোমদা খুং থ'ডুনা Kamalkumar না মাগী লিলা Demand Letter ইথোরকই । Theme অসিমক Social value লৈবা Socialisation ওইবা য়াবা লিলানি । Contemporary Sensibility য়'ওই। লিলা অসিনা সমাজসিদা Loud and clear message অমা পীবা ওমগনি । মতুংদসু, Theatre গী ইহৌসিদা লিলা কয়া ইডুনা লৈবাক্কী সেবা তৌরকখিগনি হায়বা থাজবা লৈ।

অশেংনমক, Office কী ওইবা Cultural Activities গী মতাং পনবা তারবদি থরায় য়াওনা লিলা শান্নখবা Police Wirelessকী Artiste শি• অমসুং Kamalkumar Naoshekpa গী লিলা Demand Letter অসিনা Manipur Police Wireless পু মীয়ামদা শক তাকখি ॥

R K. Sanajaoba Singh
Manipur Police Wireless.

অকোঙ্গী ৱারোল

নোংমা ঐগী মংশিরবা মরুপ A.I R গী ড্রামা Artist চৌধুরিময়ুম সুরেন্দ্রো শর্মনা অইবা ইয়াম্বশিগী লিলা অমদা শরুক য়ারুবা লোয়নবা লিলা অহুমু Medical Deptt. না শিননা Aids কী অথোই অহেন তাম্নবদা ফাষ্ট তারক-খিবা, অসিগুম্না অইবসিগী Writting Style গী মরমদা ৱারী খরা লিরকখি। ৱারিশিং অতুনা থম্মোইদা মণ্ডল-মণ্ডল থল্লকখি। ফাওম পুওমদ্রবা ৱাখলগী ইথিলনা শাফু কন্না য়ৈরকতুনা অইবা ইযাম্বসিগী মফমদা মরুপকা ঐখোয় অনি চংনা লাইরিক অসি ফোংজনবগী অয়াবা পীবিয়ু হায়জক্কবদা হরাও হরাও য়াবিরকপগী দমক ইয়ামগী শিংঙম-লোইদবা লমন তোনশিনজরে। লোয়ননা ইয়াম্না কমলকুমার নাউশেবপগী কলপানগী খুৎইবু সাহিত্যকার অমদি তুংগী য়ুম্নীরেন্স ওইরক্কদৌরিবা নহারোলশিংগী মফমদা থজিত্তুং ওইরবসু কান্নবা ফংহনজবা ঙম্নবা, লোইননা সাহিত্য লৈকোলগী মথেল অমনি লৌবিরবদি ফোংজক্কবগী মহৈ য়াল্লে লৌজে। অতুগা অইবা অসিবুসু পূকনিং থোংগৎফম থোকই হায়বা পান্দমশিনা মাংদা থমজরগা পুথোকচবনি ঐগী অনিগুবা খুদোল দিমান্দ লেটর। অসিগা লোয়ননা ইয়াম্বা অসিগী লাইরিক কয়া মতুংদসু লেপ্পা লৈতন। ফোঙবা ওমজবা ঈশ্বরনা থৌজালবিবা ওইসনু।

N.P. Publication's না পুথোকচবা হন্দক্কী অসিগা থারগা অনিশুবনি। লাইরিক অসি অথুবা মতমগী মন্নুংদা পুথোক্লবা হোৎনবা ওইবনা বানানগী মতাংদা অশোয়-অশাম থরা থেংনবিরমগনি থুনবৈ নসিগীদমক পাবিরিবশিংনা খঙ্‌হ-পিগনি লোয়ননা লাইরিক অসি ওইনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবিরিবা সন প্রেসকী মুংশিজরবা স্টাফশিং অমদি মথুম নম্বগী থৌদাং লৌবিরিবা But Printors Wangkhei khunouগী Propietor ঐগী ইসেলমুপা আর: কে: তারজিৎ সিংহ পুম্নমক্কী মফমদা শিংঙমলোইদবা নমন তোনশিনজরে।

অরোইবদা, কনাগুম্বা থিয়েটর অমদি ওরগানাইজেসন-শিংনা লীলা অসি শাম্নবিগে অমদি ট্রান্সলেসন তৌবিনিং-লবদি অইবা/অকোঙবগী অয়াবা হায়া লৌবিয়ু।

এন: পি: পাব্লিকেশনস

ঐগী মীংয়েং অমা

Shri. Kamalkumar Naoshekpa গী অনৌবা খুদোল Demand Letter, ঙসিগী চবক-চহিংলবা Manipur সমাজগী মীয়ামদা, মক ওইনা নহারোলশিংদা অযবা পাওজেল অমা পিবিরকপসিনা, মতিং লৈরবা, চথো খংলবা Manipuri শিংতগী তোমখিল ওইরবা Manipur সমাজ অমা শেমগৎলকপদা। থরতা ওইরবসু অকবা মাইকৈদা শাফু পিবা ঙমলগনি। অহল-লমল, মচিল-মনাও, মীয়াম অমদি Police কী মরি অমদি দাইত্যা কয়া শেংনা অমদি লাইনা খংবা ঙমবগী পান্থে অমত্তু অইবনা পিবিবগা লোইননা নহা ওইরিবা মীয়াম্না শক খংনরক্কবা Shri Kamalkumar না শিংথানিংহাই ওইরবা খুদোল কয়া অমগত্তু মীয়ামদা খুদোল তমজরকপদা, মরুপ মপাং খাই খুদিংমক্কা অমদি অমতা ঙাইরবা মপুনা তেংবাংবিনবা নোনজরি।

Sh. Dwijamani Singh
Deputy Director Manıur
Police Wireless.

৬ শুবা All Manipur Enter Services Drama Competition, 1998 দা শরুক য়াথিবা অটিষ্টশিং :

		শরুপ লাংথিবা
১।	রাবৈ (মপা)	কেএইসঃ অমুবা সিংহ
২।	বুধি (মচানুপা অহল)	এঃ গৌরনি ্যাই সিংহ
৩।	খেলেম্বা (মচানুপা য়াইমা)	বাইঃ বিসে াল সিংহ
৪।	রোমিও ,, অহুমশুবা	ওঃ বিরলা সিংহ
৫।	থাবা ,, অতোনবা	কে ইসঃ থোইবা মৈতৈ
৬।	নাউচা (থাবগী মমানবা)	কেঃ রাজেন্দ্র সিংহ
৭।	নিমাই (হোম মিনিস্টর)	টিএচসঃ বুনজরী সিংহ
৮।	মেলৈ পাজি	এলঃ চাওবা শর্ম্মা
৯।	রাজেন (পুলিস ও, সি	পিঃ হ্ৰিশরাম সিংহ
১০।	বিরেন (পুলিস ASI)	এইসঃ দেরান সিংহ
১১।	Hav য়াইমা	এলঃ নবশ্যাম সিংহ
১২।	Police Costable তোম্বা	সিএইসঃ নবচন্দ্রা সিংহ

-O—

দিমান্দ লেটর

(ফাষ্ট হাফ)

মফম — রাবৈগী য়ুমনি।

মতম — অয়ুক

[মাঙ্গোলদা সোফা থাই, ফল্লাং ময়া ওইরপ্পা Phone থমই]

(রাবৈ মচিন্দ মুক্রুম, মুক্রুম শোন্দুনা কাতু কারল চৎতুনা লৈ।

রাবৈ — লুপা লিশিং ৫০গী দিমান্দ লেটর। মমাংদসু তরাগী কুনগী কয়া অমা লাকখ্রে। হন্দক্লা লিশিং ৫০গী। নত্তে ঐ পৃ থা'বা ভমজ্রে হায়বা। ঐবু যুম হোংলগা কদাইদনোমা চৎখিবনা ফরদ্রা ?

[Phone লাকই]

ইস ! ফোন অমুক লাকএনে, ঐ ঐবু কমদৌশিগে, কনাগী ফোন ওইরিগবা (নিকই) অস ! শুম খিংদনা লৈরেনে।

[মনাক্ত চংশিল্লক্রগা ফোন থাংগৎপা ভমদে]

(বুধি য়েনশাং খাউ অমা য়াল্লহুনা চংলকই মহাক্লা ফোন তাপ পায়খৎলগা বারী শানৈ, রাবৈ শ্বর হন্দোক্ল-গা হুমাং তৈথোকই)

বুধি — ইনেবেম্মরো, ঐ বুধিনে, ফোন তৌরকনি থংজরবদো, আ-আ, হোই-হোই। ঐনা কাংঙৌ বোরাহু লৈজরমলবদো!, মাপী লুরাক্লনা য়েংবা মীৎয়েংহুনা ঐগী থম্মোয়শে হুৎভৎলবদো।

(মপা মচা য়েংনরুরগা ইকায়তুনা ফং লৈথোকনৈ)

(খোঞ্জেল শিকথনা) খরা তপনা হায়বিরকও ইনেবেম্মা, ঐখোয় অহল লৈয়ে । হোই-হোই, তাং ৮ দা উমরশে হায়বা thank you থমজরগে ।

রাবৈ — অহম, অহম ! কনাগী ফোননোনে বুধি ?

বুধি — ইনেবেম্মগীনি ।

রাবৈ — ইনেবেম্মা হায়ববু কনানোনে মুপামচা ?

বুধি — ইনেবেম্মা হায়বশি মুপী অমনি ।

রাবৈ — ইহে ! ঐশু মতুবুদ্দি থংইনে । ইনেবেম্মা হায়রিবা মুপীত্নু কনানো, মমিং করি কৌই, কদায়দা লৈ, করম্বা মীওইনো হায়বনিনে ।

বুধি — পাবনা খংবদা কান্নবা ইনেবেম্মা নত্তে । তোকও থিগংলকুলম্নু ।

[চংগে তৌই]

রাবৈ — এ ! বুধি

বুধি — অমুক মিথিনগাই ওইরকতৌগী ঐ লোয়না খংই ॥

রাবৈ — করি, করি হায়বা বুধি ?

বুধি — পাবা চাক থোংবীগে হায়ব্রো ? কৌম্নু চেংম্নু কোল লিক রাইরম শেংবিগে হায়ব্রো । ইমা হেক লৈখিদ বদগী ইমাগী মহুৎ শিন্দুনা ঐনা চফু-উয়াম পান্নরকপা নত্রো ? নচামুপা কোকহন-লাইহন চহি নিফুগী পাখং ঐগীবু পাবনা করি খনবিবগে ?

রাবৈ — য়েংউনে মশে ।

বুধি — পাবনা চফু-উয়ানবু পান্নবীনি হায়রবা, ঈশ্বর শাখি, ঐ ইনেবেম্মা উমজরোই, কৈকান্দগে ।

(চংখি)

রাবৈ — মাগীশি সুপী অঙাংগী বা মাল্লি। ইনেবেম্মা হায়-
রিবা সুপীশিনা মাগী সুপী শেন্দীবা মাল্লি। অতৈ
লাইরিনে, হৌজিকপু লিশিং ৫০ গী দিমান্দ লেটর।
ঐবু করি তৌগদবনো থংদ্রে।

(মথা শানা মকোক পাই)

(Phone লাকই)

(মকালাক থক থক নিকথৈ)
অমুকসু লাকএনে, Phone শে (য়াম্না কিনা চংশি-
ল্লরুগা Phone হাংদোক্লগা থমই) (বুধি চেম্থোরল্লুগা
ফোন পাইখৎলি)

বুধি — ইনেবেম্মরো ? নত্তে হ'য়বা মন্ত্রি লৈতে, হা রাবৈ
নত্তেয়ে, হা ঐবু গধা হায়বা, ও-ও ভাব তাজরে।
ফনি, ফনি (Phone মেনশিল্লগা রাবৈদা) মন্ত্রি
লাকনি হায়রে। (তমুক Phone দা) ফনি ঐ
রাবৈ পাইহনজগে, এ-এ ঐ ঐখোয় পাবা পাইহনজগে।

(রাবৈদা Phone পি)

রাবৈ — Hello মন্ত্রি সাহেবলো, জয় হিন্দ Sir ফনি লেং
বিরকও, হোয়-হোয়, পংয়াম য়ামবা শেনফমবদি নত্তে,
লুপা লিশিং ৫০ দনি। পিং-পা, পিং-পা সুম
তোইশিল্লকপদুদা খোয়দৌ শাওগংপগী বানি। য়ানি
য়ানি, ঐ খুবৈ অমাফাও চংথোকচরোই ঐ Sir
লাকপা ভাইদুনা লৈজরগে, ফনি Sir, জয় হিন্দ Sir
বন্দে মাতারম Sir ! (সলাম কৎলগা Phone থমই)

বুধি — সুম, বন্দে মাতরমগা হায়রদনা।

রাবৈ — লোয়শিল্লকপদা মন্ত্রিনা হরাওনবা হেক হায়জিল্লুবগী ৱানিনে ইবো ।

বুধি — লোযশিল্লকপগী ৱা ওইরগদি জন-গন শকপীবা য়াদ্রো ।

রাবৈ — নংগী হৌনবী তৌরকলব্রা বুধি ।

বুধি — অদু নত্রগা সাবে জহাংসে আশা, হিন্দুস্থান হমারা হাযবা অমসু লৈরি ।

রাবৈ — তোকও হা'যবনি নংবো (লাওই)

বুধি — চাকখুমগী থবকসু তোকলশি হাযব্রো ?

বাবৈ — মতুদি তৌ'ক্কবনা কৈ ।

বুধি — ঐদি চাকশ'দা জন-গন শকলমলগা ইনেবেস্মা উন্নবা চংখ্রগে খনবনি ।

রাবৈ — হায, হ'য চংথোক লাকথোকপগা য়াবা নত্তে । তৌজিক মস্থি লাকনি হাযতুনা ফোন তৌনখিবতুনি । চানা থক্কবতু খব ফজনা Arrange তৌ ।

বুধি — অদু ওইবগা Sanction তৌরকলো, নত্রগদি চঙাংদ মত্তাই ।

রাবৈ — নহ'লদসু Biscuit কা লৈখিবদাইনে ॥ শঙ্গোম কৌতা অমসু লৈখিবা হাপ্পা ফাদ্রি ।

বুধি — মহাক্লগী ৱা তোক্লশিন । মতু খন্নবদা কয়া লেম্লরোই

রাবৈ — পৈশা'ব, উদ ব'দা পানাব্রা ? ওায়হাক লৈরা শেল পীযু ওাযহাক লৈবা শেল পীযু নখোয় নচিন ননাও মরিগী দিমান্দা নাকোং শিংজা যৈরে কনানব, পু-খাংবা ওমগদৌবিবনো । অমা অনিদসু নত্তে পাখং য়ং য়ং ফারবা নখোয় মরি ভাব তারব্রা ।

বুধি — ইচিন-ইনাও ; পোক্লস্বগী complain শিদি ঐখোন্দ পাবনা তৌফম থোক্কে, মরমদি ঐনা পাবদা ইচিন ইনাও ; গুহনবীয়ু হায়ত্নুনা হায়জখিবা লৈতে হায়-জরিবা।

রাবৈ — য়েংউনে মশে।

বুধি — ঐবুদি ভাব তাবা-তাদবা, পাববু ভাব তাবীরব্রো?

রাবৈ — নং ঙসি মথোং চারোইকো চৎখ্রো চৎলু নশক য়েংনিংদে।

বুধি — ইশে-ইশে পাবদি ভাব তাববোই নিংই, ভাব তাদ্রিনে

রাবৈ — কদাইদগী তাগদোরিবনো হা অযুক্কী মুংদাংগী নচিন নন'ও ; না তাপ্পিবা শেলগী দিমান্দ। অতুগীসু মথক্তা লৈবাকশিদা লৈরিব Under-ground, Over-ground, aided Govt. গী লিশিং ৪০/৫০ গী demand letter কয়া, কনানা পুবা থাংবা ঙমগ-দোরিবনো হায়বা।

বুধি — অতুদা বা অমদি লৈয়ে।

রাবৈ — হায়যু হায়যু করি ৱানো?

বুধি — লম্বীগী মিস্রাংবা চাকনিবছুদদি কনাসু শেলগী Demand তৌরুদে মরমদি মা লৈতে হায়বদু খঙবা অরৈ-অরৈবা খল্লগা Demand তৌনবা ....

রাবৈ — বুধি (লাওই)

বুধি — পাবা (ইতপ তপ্পা খুমই)

রাবৈ — চৈ লাকত্রিদৈদা চাকখুম চংখ্রো চৎলো।

বুধি — Sanction য়াওদ্রবদি মন্ত্রিগী Programme ফেল চৎচনি ॥ ঐদি হায়রিবশিনি (চংখিগে তৌই)

রাবৈ — মরম চাদনা শেল পুথোকপগী য়াদি নাংনা

বুধি — অহাইয়ো খিখিদা কৃপা (খুবাক খুজিল্লমই)

রাবৈ — হায ওংখাই, নংখাই মসিবু নুপারা নুপা নত্ত নুপীরা নুপী নত্ত । (চৌক্রিদা ফমথৈ)

ইস ! হৌজিকপু করিনো তৌগদবা । ইচাশিংদা তান্নব ওইবরোই অতুদি কনাগা তান্নশিগে । পুলিসতা ওাকলুই হ য়ত্নুনা মখোইগী ইহং পাওহংদবিত্থু থোক কাপশিল্লমলো স্বগীয রাবৈ ঐগী শোরাং হন্দক থাখাইশিদা হেক্লা মতানি । নত্তে ঐবু করি তৌগবনো হায়বা । লৈকাইগী মৈরা পাইবিশিংদা নক্লগা ক্লবগী Secretary দা খংহনশিরা ! অদুদা অমুক যাংয়া লাওদুনা তোক্লদ্রা । এ কনা কনানো চংলকইশিনা মাংনবে নহারোল ২ মুক চংলকলেনে ঐ ঐবু কদাযদ। লোংশিগে, নত্তে ঐ াহংবু হিংানিংদ্রেদা ॥

(ইমুংদা চেনশির্নখি)

[নাওচাগা খাবগা চংলকই]

নাওচা — ভাই, ঐদি ইন্দিয়াগী Grand master Bishwanathan গা অমুক্লুং শান্ননিংবনি । মৈতৈ মচা নাওচাগী খুংশিল Play style শে খংহননিংবনি ।

খাবা — ঐদি ভাই World Champion Gary Kasparav কা থেঙ্গাইননিংবনি । খাবা ঐগী শগোল খুৎচোংসে উরবদি Russia মচাত্থু পুমত্তক ভক্কনি ।

কান্নদে মতম মাংহনগুমশি, Game অমা অনিদং শং শং (ছত্রং পুথোরকই, Table দা শান্নবা শেম শাই)

নাওচা — অপোবনা তংখাই অমা কোংনবা য়ারেকো।

খাবা — নত্তে, অথোইবনা তংখাই অমা কোংনশে।

নাওচা — O. K.

খাবা — O. K. (অনিমক হেন্দ শেক তৌনৈ)

নাওচা — অদুদি অঙৌবা পাইরবনিনা ঐ move তৌজরগে।

খাবা — য়াই ভাই, just a minute

(ইমুংদা চংখি)

নাওচা — মখোয় ইমুংশিবু (চেপখনা যেংই — রাবৈ য়ান্না কিনা থোং মরুমদগী য়েংলকই)

(অনিমক খংপ্রেক খংনৈ)

রাবৈ — ইবুংঙো॥

নাওচা — পাবুং ॥

রাবৈ — ইবুংঙোবু করি পার্টি ওইরবনো ?

নাওচা — পার্টিশি পাবুং।

রাবৈ — পার্টিদি শেংনা শেংনা হায়নসি। ওইদবা শাশিন্নবনদি কান্নরোই।

নাওচা — পাবুং শুফম-চৎফম খংদবদগী Party গী য়াওহুনা শুম য়েংলবনি ।

রাবৈ — (খোল কল্লপ) অদু করি Party নো হায়বা।

নাওচা — পাবুং কংগ্রেসভগী তোকথোক্লগা BJP দা অমুক য়াওজরে ।

রাবৈ — হা নংবো, নত্তে নংবু কনানোনে ইবুংঙো

(অনোক উপশিল্লগা য়েংই)

নাওচা — পাবুং ঐ নাওচানি, ঐখোয় ভাই খাবগা তিন্নজবনি ।

(খাবা থোরকই)

খাবা — ভাই নাওচা ফাওবা মশক খংব্রবো ? পাবুংবু

রাবৈ — ইহে ! ইহে নাওচা নং ওইরে । ইপাদি হন্দক মবকশে কোকশিদা করি কবিনো পংখন্দ খনবা অতুনা মীংসিদমু শোরি পারি পংউদা উরবা ।
ফমউ ফমউ
ইস ইমিংসিদা নহারোলগী নহাবোল ঙাক্না উত্নুনা লৈরেনে ।

(চংখি)

নাওচা — ফনি পাবুং ।

খাবা — কান্নদে ভাই, হৌনবা তৌশি ।

(খৈনি চামিম্নৈ)

বুধি ফি মতেক ১ শেৎ মতেক অমা ইন নাচোম চিন সনাবুন পুরতুনা ঈশিং শোকপা থোরকই)

বুধি — হায শুনিংদবা অনি, Lazy game তু হৌরব্রা, ইমা ইকাও হেক কাউই ।

(সনাবুল থমলমলগা চংখি)

নাওচা — ঐদি কনা কনাগী মৌ অনৌবিনো থল্লুরে । তামো বুধিসে কন্না লৈশাখল্লকইনে ।

খাবা — ভাই মানা শাবা মরাকতায় বিগদি কয়াম কজৈ ।
(বধি হুংশেল য়েং, Lipstick য়েক্লহুনা থোরকই)

বুধি — হায় খাবা ইবংঙো, চফু থাংকৎলম্নবনি থর য়েংলমউ ।
(Lipstick, হুংশেল তেবলদা থনম্নগা সনাবল খাংদা য়েপ, হুপীগী খোংথাংদা থোকখি)
ঐ ঈশিং য়াবনিকো ।

খাবা — চফু শৌরগা পাথজবেদনা । হৌগৎপগী রাদি দায় লৈতে ।

নাওচা — হৌনবা তৌরশি, অহানবা Game বদি ঐনা অদুম থোযরগদবদো ।

খাবা — হায়নখিবগী মতুং ইন্না ংখাই অমদি ঐনা ইহান হান্না কোংবদা মতাববা ।

নাওচা — য়েংনবা তাবেদনা ভাই, O.K. ,Start
(move তৌই)

খাবা — মসিনি Karpov কী Style (move তৌই)

নাওচা — মথংদা শগোল চোংজরে ।

খাবা — ভাই ঐখোয় ইমুংগী মীশিংশে ঙসি কদাই কদাইদনো লোয়না চৎপিখিবা শিদনি ঐনা খনজরিবা ।।
(move তৌই)

নাওচা — অদু ওইরবদি কনানসু disturb তৌদনা শান্নজবা য়ারেদনা ।
(খাংদা সনাবুল য়েপ বুধি চংলকই)

বুধি — নখোইনি চা থক্রদ্রা, কদায় লুপা ২ ।
(মখুৎ তিংথোরকই)

নাওচা — ঐগীদি চিনি থরা রাংলবহু শঙ্গোম থরা হেনইন-
বীরকউ (লুপা ২ পি)

বুধি — নথোয়নি অপং। তাক হেক থাজিনবু।
(ফাগে তৌই) ;

খাবা — চাকশঙদা অমক্তা, চফু পাথরমলনিয়ে।

বুধি — লুপা ২ না শঙ্গোম য়াওবা চা গা থকনিংইমাল্লেনে।
চাঙাং ফাওবা নরাইবক করবনে করবা॥ (চংখি)

নাওচা — ভাই, Please carry on. (ছত্রংদা মায় ওনশিল্লি)

খাবা — O.K (Phone লাকই) (ভাইহাক তুমিন লৈরগা)
ও! ইমংদা বনা লৈগে Phone পায়করাও।
(ইমুদগী বাবৈনা লাওরকই)

রাবৈ — হায় খাবা নংদি Phone তু পায়বা য়াত্র হায়বা, ঐ
হংলকলবদি লৈতে হায়খো।

খাবা — ঐ Phone পায়বগা শংদেকো।
(নাওচানা পায়গে তৌই) ভাই! Please পায়বীকমু

রাবৈ — (ফিংনা ফৈজোম নামৈ য়েপনা য়েপনা চেম্বোরকই)
চাকলেম চাবা মীরেম থবক শুবদি লায়বদনা Phone
পায়বা ফাওবা তল্লবনিনে য়োংগী মচাশে......
(Phone পাইগে তৌই থাঙ্গৎপা ঙমদে মকলাপ
থক থক নিকখৈ)
হায তারিত্র বুধি বুধি ফোনশে অমূক্তা থাংগৎজু-
রাওনে নংবো।

বুধি — (ইমুংদগী) চাক্তি পুখম-পুখম, কৎলিবা, Phone
ফাওবা থাঙ্গৎপা ঙমদ্রবো পাববো।

রাবৈ — ইয়া-ইয়া মানা ঐবু চাবগ পাওথংনরদনা। হায় কোন থাঙ্গৎপা ওমদবগী রা নম্তেনে আধা-আধা ঐনা থাংগৎনিংদতুনা তৌবনিনে কেৎ লাওবি।

(খাবা নাকোং মেল্লি)

বুধি — (ইমুংদগী) অতু ওইরগা চকু অশৌবসে থাংদরুরাও ঐ কোন থাংগৎলগে।

রাবৈ — মশিগী তংখায়শিদ হাৎলগা লোয়রে।
(হোৎচিল্লকই থোংজিন ময়া য়োৗরকপদা খাবনা কোন থাংগৎলি)

খাবা — Hello, (রাবৈদা যেংলগা) লৈ, যানি য়ানি (রাবৈনা) লৈতে হায়খো হায়তুনা ইঙ্গিৎ তৌই)
পায়হনজৌ হায়ব্র (রাবৈ পাখৎলি) হোই, হোই লিশিং ৫ হায়ব, হৌজক হৌজিক ফনি ফনি।

(কোন থমই)

রাবৈ — (পাখৎনা) লৈ হায়খিবরো খাবা।

খাবা — লৈবিববুদি লৈ হায়দদি।

রাবৈ — হায় গধাগী মচা, বতু (লাওই

খাবা — এ! ঐবু গধাগী মচাকা হায়দনা। ঐনা গধামচা তারগদি পাবুংনা গধা মপা তারেনে।

রাবৈ — মসি ফুদবা য়াদ্রে। মপা ঐবু গধাকা হায়তুনা (হোৎচিল্লকই)

নাওচা — পাবুং অমুক্ত তপথবিখো, সে অমুক্ত (খামই)

রাবৈ — মী উশিন্তবা শারদনা, নংবু চাওনা শাংনবা য়োকলকলিবশিবো নপা ঐঙোন্দ গধা হায়নব্রো, বারক্তবশিগা ।

থাবা — ময়েক্ত হায়বনিনে পাবুং ।

নাওচা — ভাই অমুক্ত তুমিন লৈবিয়ু Plaese পাবুং শাওবিরগু রাহৈ শোয়খিবা হায়তুনি ।

রাবৈ — ফরে ফরে মশি ভোক্লশি । হৌজিক হৌজিক লাকনি হায়রকপ্র মশিঙ্কুবো ।

থাবা — অং হৌজিক লাকনি হায়রকপনি ।

রাবৈ — হরে হরে লোয়রেদনা । নংবু নকোঙ্গু থরা শিজিন্নবা য়াড্র হায়র্বনি ছএং মাষ্টর ।

থাবা — করিনো পাবুংনা ঐঙোন্দ পংশাওদ শাওবিরিবশিবো ঐদি Phone দা হায়রকপহু পাবুংদা তমজবগী বানি

রাবৈ — লুপানা কয়া, লিশিং ৫ হায়র লিশিং ৫০ হায়র?

থাবা — লিশিং ৫ হায়বনি ।

রাবৈ — লিশিং ৫ হায়বা? লিশিং ৫০ হায়বদি নত্তেকো । নংবু শেংনা তাহৌবরা হায়র্বনি । নহাক্‌গী Demand Letter তুদি লিশিং ৫০ হায়রকপনিনে ।

থাবা — করি Demand Letter হায়বা ।

নাওচা — নত্তে পাবুংদ Den and leiter থাহি মবপগী বারা হায়বীরিবশিবো ।

রাবৈ — থাজিল্লকলবনিনে থাজিল্লক্রবা। নত্তে লিশিং ৫০ হায়ত্তুনা Demand letter দা ইরক্লগা হৌজিক্লা Phone দা লিশিং ৫ হায়রক্লকলিবত্তুনা করিগনো ?

থাবা — পাবুং Phone দা লিশিং ৫ দিমান্দ তৌরকপত্তুদি নহারোল নত্তেয়ে।

রাবৈ — হা করি হায়বা ?

থাবা — Demand তৌরকপত্তুন্থু পাবুংদা নত্তেয়ে।

রাবৈ — হা মুপামচা ?

থাবা — তামোচৌদা ইনেবেম্ম হায়বা মুপী ১ না তৌরকপনি।

রাবৈ — অত্তুদা তাইয়ে (খুর হনদোকই)

ঐদি রাবৈ ঐঙোন্দরা হায়ত্তুনা লুতোন শাৎলুরেদনা য়াদ্রে-য়াদ্রে ইপাগী কোকশে বেবা লৈরবনি মুপামচা।

(মকোক হায়র হায়রত্তুনা চংখি)

হায় বংধি ঈশিং গিলাস অমতা

নাওচা — পাবংশি Demand letter খর তোয়রবা মাল্লি-নে ভাই।

থাবা — অত্তুনিনে ভাই, ঐখোয়দম্থু হায়দোকপীবা নত্তে। Demand letter থাজিল্লকইবা মীশে অমুক্ত থি-দোক্তবা য়াদ্রে।

নাওচা — ভাই থিদোকশি। অশেংবরা, শাশিন্নব্র থংদোক্রবা হোৎনশি। হন্দকমুক্তি ঐগী move ওইরিনিনে।

থাবা — মানি ভাই, য়ারে চৎপীরো।

(ছত্রংদা মায় ওনশিল্লি)

নাওচা — ফনি ভাই, হন্দক্তি জ্ঞান তানা শান্নরশিকো ।
(Jacket লৌখোক্লগা চৌক্রিজা য়ানশিল্লি)
(ভাইহাক জ্ঞান তানা শানৈ, বুধি চা পুখোরকই)

বুধি — চা,চা (চা গিলাস ২ থম্নগা ঈশৈ হায়কেৎ ভংই ॥
মেমচাগী নাপদা ভানবা চিগোংলৈ নাচোম, নাচোম
মক্তব, ওইনা ভানজরগেনে ঐনা ।
(খাবনা চংখিনবা ঈজিং তৌই) হুম তৌজশারিশে
(কেৎ হায়দোক্লগা চংখি)

(নাওচা চা থকই, ভাইহাক লৈরগা খাবম্ব নাওচাগী
গ্লাসতু থকই, গ্লাসতা থোয়না য়েংদে ছত্রংদা মায় ওন-
শিল্লি মখোয় ২ না গ্লাস অমা থক্লগা গ্লাস অমা লেমই,
জ্বার রালা খেলেম্ব চংলক্লগা তৌরিবহু ভাইহাক য়েংই)

খেলেম্বা — বা তৌরিসে য়েংউনে । ছত্রং মপি অনিসে চা
গ্লাস অমা মখোয় অনি থকিংগ্রেনে । ভরাংদগী
জ্বার মকমদগী চরা হেল্লক্রবা ঐনা চা গ্লাস অমসি
থকপা তারেদনা ।
(চংশিল্লক্লগা ২ হুদা চেপথরগা য়েংই, ২ মক উংহুনা
লৈ, চাহু লৌরগা থকই)
চাকপুদি য়াম্না লামই হায়ববু খুংপায়শেল থরদি
পামগ্রেদা, কদায়দগী লৌশিগে । হুম ! কান্নদে চাক-
খুমদা হায়জিল্লং । পুখমলা তেংকোংলা অমতা Try
তৌরুখিগে ।
(কিরুপ কিরুপ য়েংলগা চংখি) (Phone লাকই)
(ইরুজ কারকপগী ফিজোলদা রাবৈ হোবে-হোবে
থোরকই)

রাবৈ — Phone লাকএ, Phone লাকএ (থাবদা) Phone লাকএ তু ..... (থাবা হৈনিংদনা য়েংলগা ছত্রংদা মায় ওনশিনখি) (ইমুংলোমদা ওনশিল্লগা) হায় Phone লাকএ হায়বনি। (থাবা তপ্পা Phone দু মনাক্তগী থাপ্পা থাংদোক্লগা থমই) মসি য়োৗরকলবদি ঈ কারকইকো। (Phone দু মুন্না য়েংলগা তাপ পায়খৎলি)
Hello মশা লৈতে (Phone থমজিল্লি)
তস করৈনি।

হায় বুধি-বুধি চাক্তুবো লোয়রব্রো, চাবু চানিংদেদা, ঐঙোন্দা চাক ঈশিংগা চংদেদা (চাকথুমদা, পুখম তেংকোং ভাবগা মখোল তাই) হায় হোৌদোং চংলামাল্লেনে হোৌদোং, হোৌদোং (চংখি) (খেলেম্বা চাক পুখম অমা লোন্না থাংতোকলক্লগা থোকখি, খাবৈ চেগপ পায়তুনা বুধি থোক্লকই)

বুধি — চাক থিরিঙৈদা নারোন্দ ওন্থোক্লা হৈখ্রেদা। হায় হুরানবা জমার রাল্লা নং হোরেন্দগী লাদ পিজরনি। পুখম তেংকোং হুরানবদি তাই, চাকলুক ওইনা থাংব ঙম্বশিদি নংত্তনিহে খেলেম্বা। হায় নখোয়নিন্না কমদোবা, লাও লাও চাথোকহোৌররো চাক পুখম চেনবা ঙমবা উচি লৈরেকো (চংখি) (খেলেম্বা হায়জিল্লকই নাওচাগী Jacket তুনা মকোক ১ দি চাক পুখম খল্লগা কিরুপ-কিরুপ থোকখি)
(নাওচাগা খাবগা ছত্রং লোয়রকপগী Hand shake তৌনৈ)

নাওচা — Draw চংলে, হৌজিক কমদৌৰ ভাই ?

খাবা — তংখাই-তংখাই কোংনবা তারে। মথং Game চংথশি। (মরু হাপই)

নাওচা — খৈনিদু খিত্তা··· ·····

খাবা — য়ানি পায়বিযু (খৈনি চামিরৈ)

নাওচা — ভাই, Car অমা থৌজিল্লকইশিবো, মতুংদা সিফাই গাড়ী ২ অমসু ইল্লকইনে-তু থোংগালদা খামগ্রেনে।

খাবা — পাবুংনা মভোন্দা Demand letter থাজল্লকই হায়দুনা Police কা তাকলুবা জাংলা, অদুগী লাকইব্রা হায়বা। (য়েংই) এ, অসিদি মন্ত্রিনিনে, ভাই মন্ত্রি নিমাইনিনে॥

নাওচা — অদুদি ভাই, ঐ য়ৌরগে, শাম্বা য়াররোয়, ইয়েং ভস্তা হৌরশে ॥

খাবা — ফরে ভাই, য়ৌরো ॥

নাওচা — ঐগী জেকেৎতুবো ········ (কোইয়েং য়েংই)

খাবা — নংবু Jacket লিংলকপ্রনে ?

নাওচা — লিংলকএ ॥

খাবা — ভরাং ওইরিনি ভসিদি ইদে। নথোয় য়ুমদদুম লৈরমনিয়ে।

নাওচা — ঐবু ভরাংলনে লিংলকপদুবো, ভসাই লাকপদা লিংলকপ্র হায়না খনবনিনে।

(চিংন-চিংনবা থোকখি, খাবা ছত্রং লোয়শিন্নি)

খাবা — করিগীনো মন্ত্রি নিমাই লাকইবশিবো ॥

নিমাই — হায় শিকাই নখোয় মপান্দা ভাইহাক লৈয়ু ।
ঐ কুইরোয় ভাইহাকনি । (চংলকই)
হায় হায় ইচাশা - ইনাওশা তারাবৈ লৈত্রো ?
Cabinet Minister নিমাই লাকই হায়য়ু ।।

থাবা — লেংশিনবীরকউ পাবুং ।

নিমাই — ঐনা Phone দা লাকে হায়খিবনি । তা রাবৈদু থর থুনা কৌথোরকউ ।

থাবা — ফনি পাবুং কৌথোকচরকে (ইমুংলোমদা) তামোচৌ তামোচৌ পাবুংগী মপান্দা অমুক্ত থোকপিরকউ হায়য়ু ।

(ইমুংদগী বুধিনা) হায় অঙাং অপংবা মী লাক্লবদি লৈতে হায়খোনে ॥

নিমাই — (কমগে ভৌরগা, ফুক হৌগংলি) করি হায়বা ?

থাবা — এঃ এঃ পাবুং বারৌবীগী পাবুং লেংলকএ খংদনা ভৌরিবনি । অমুক্ত লেংশিনবীয়ু Please, Please.

নিমাই — নিমাই ঐসু হৌজিক্তবু কংগ্রেসকী তুপীকা উপ্তনা থর তেবগী ধানিকো, হায়দি ফৌ-চরোং থাঙ্গোলগী কাক-কাক লাওবা কমরেডনিকো (কৈজোম কুপ্পা কল্লি)

থাবা — পাবুং Please Please, ও তামোচৌ পাবুং নিমাই লেংলক্লি হায়বিয়ো ।

বুধি — (ইমুংদগী) নিমাই ওইরবসু, তুমাই ওইরবসু পাবনা লৈতে হায়খো হায়না হায়রে অঙাং বুহ ॥

নিমাই — ইবুংগো ইপা চৎলে, শেরা মী উশিত্তবা শারদনা
(শাওনা চৎকে তৌই)

খাবা — পাবুং-পাবুং নচাগী রাশি অমুক্ত তাবিখো, ঐখোয়
তামোচৌশে বুধি বেরা অমা তৌবনি। ও-পাবুং
পাবুং Cabinet Minister নিমাই লেংলকলিয়ে।
(রাবৈ চেম্বোরকই)

রাবৈ — ওসাইনা অহু হায়বা যাদ্রো, ঐদি Donation লাকলি
বোই নিংহুনা কাংখল মন্নুংবা লোৎলুরিনি। Sir,
Sir নমছে Sir ননাই রাবৈবু ওাকপীয়ু Sir, সে-
সে অমূক্ত লেংশিনবীয়ু। ভাব তাদবা অওাং লোয়-
নবশে ওম্বোক্লা রাথ্রে।
(বুধি চেম্বোরক্তুনা সোফাদা মানা ইল্লকপ ফি
মতেক্তু থাই)

বুধি — শোমদ-শোমদা Donation না খুরক হাংদ্রকানশিদা
ভাব ১ তৌকরেদা, লাইব্রিক য়োনবা অওাংস্থ পুংশিং
কাংদেদো লাকইবা, অমুক্ত লেংশিনবীয়ো ওম্বোকনা
ইকায়জখ্রে বীদ্যাশখি।

নিমাই — মহাক্লা বুধি হায়রিবসে ইবুংঙো (খাবদা)

বুধি — মানি সাহেব, ঐশি বুধি লৌশিং থরা চংখোল্লি
হায়হুনা পাবনা বুধি কৌবী॥

নিমাই — হোয়নে বুধি লৈনা উইনে (কমই)

বুধি — অসিবু ভোত্তা পাবনা লুপা, বিলামাটী বোরা অমা
পাংখিবহু নত্রো ?

রাবৈ — হোয়নে খিং তুমিন লৈরো। Sir পুকলৌ পাও-
রৌবিবা য়াদেকো।

বুধি — অয়ুক্তা Phone তৌবীররুগা হুমিদাংরায়রমদা লাকনি
হায়বদি থাজকুত্রবদো। সাহেব লাকনি হায়দুনা
লাংজরুবা Arrangement তুসু অঙাংশিংনা লোই-
শিন ——।

(রাবৈ মথন্ত শোঞ্জে — মসি শিংইনে)

নিমাই — এ য়াজরে য়াজরে, ঐনা শোইরবনি তা রাবৈ উন্নবা
থোরকপদা ঐগী শুনাংদা মাঙোলদা লৈরমলিবা
মীয়ামত্থু মথং মথং উন্নদবা য়াদদুনা ——

রাবৈ — মানিনে মানিনে মন্ত্রি হায়বদুদি মীচং মীথাই নায়বা
য়াদবনিনা উন্নদবা য়াদবা। হায় থাবা চৎলু চৎলু
নংগী মরু-মরাংশি আদ পুথোকখো।

(থাবা ছত্রং পুশিল্লপা চংখি)

হায় বুধি, ঐখোয় Sir গী চানা থকনবা।

বুধি — ঐ ready লৈজরে, য়ানি-য়ানি।

নিমাই — অচিনব কয়া কায়থোক্লগা লাকপনি, বুধি নংগী
মন্ত্রি সাহেবপু করি পীজ-পীথক্কে হায়রিব হা

(মকৈ নিকই)

বুধি — তাইবঙ মীনা চানবা চিঞ্জাক পিজগে খনজৈ। অরেম
অপা চাবা ওক-মুংদ চেংকুপ লুখাক চগুম পীজবগুম
মন্ত্রিদা পীজরুবা য়াবা নত্তে হায়জরিবা।

(রাবৈ পাখৎলি)

নিমাই — বুধি ! নং নরায়বক লৈরবদি জেলগী হবায়-থোংবদু অমুক্তি চাক্লবা য়াইদো ।।

বুধি — সাহেব, State Minister ওইরিবদৈ কেংবঁ-তাখৎ-পদগীদি Cabinate Minister ওইরগা কেংব তাখৎপনা কয়াম হেল্লি।

নিমাই — এ মসিদি জাৎ-জাৎ হায়জিল্লকইনে ।

রাবৈ — হায় নংবু চংওনে, Sir গী চান-থক্লবা খর ফজনা তৌক্লচো। ভাব মেন হেক তাদখৈ ------ ।

বুধি — লৈকংদ থোং শাবীনি চিংদোলদা ঙা য়োক্লনি, থাংজিং থানি হায়ব ওইদ পাদবীগী ভাসোনশিনা কদায়দগী তম্বীরকপা ।

নিমাই — মসি মীনা ঙাংবগ ইঙা-তাদেনে। ইবুংঙো বুধি নং নথক থোংব অচৌ অশাং ওফিসার মন্ত্রিদা করম্না ঙাং-শক্লদগে হায়বদি তমদ্রিব মাল্লিনে হা ।।

বুধি — হায়মা অদু তমনবা School-College লৈবরো ?

রাবৈ — নংবু চংগ্রো হায়বনি বুধি ও বুধি ।।

নিমাই — ওইদবা ঙাংবদা মীনা থাজহনবা ঙম্বা, ওংলৈ পারৈ হৈবা, ইকাইখংদবা হায়বশে মন্ত্রি অমা ওইবগী চেন্দবা য়াদ্রবা গুননিনে বধি, নং ভাব তারব্র ?

বুধি — ও অদু ওইরদি রা লোইরে ।।

(চংখি)

নিমাই — থুংচং লাকচংনে, ব্রাঙাং শাঙাংনে ওইগী লমদাংবদ মাল্লিনে ঙাবাবৈ ॥

রাবৈ — Sir, Sir

নিমাই — তারাবৈ৹ করি করিনো তৌরকএ হায়ত্নুবো ॥

রাবৈ — অদুগী মতাংদনি Sir গী মতেং খর নিজনিংত্নুনা ঐনা Phone তৌজখিবদো। লিশিং ৫০ গী Demand letter নিনে Sir। কনাগী চাফম থককম থংব নত্তে। অহিং মুংথিল তাইওম্নরবনি। Phone শিনা তৌরকখিবশিনা-তৌরকখিবশিনা ॥

নিমাই — Phone তৌরক্কনবা কদায়-কদায়দনো চংথোক্লো। Cinema হায়রা তারাবৈ হোয়গুম্বা পাগ্রানা য়েংনবা মুংঙাই-মুংঙাইরবা কয়া তৌরে। করিনো দিল লেনথোকউনা।

রাবৈ — মপানথোক্লবস্থ খোকত্রবস্থ চপ মান্নৈদা Sir। নহালমুক লিশিং ২০/২০ বা´তন পীরম্বত্নুস্থ কাংজৈ-বুং হায়শিনফমগী পুলিস ময়াম চেক তৌব জগাত্নুদনি। মুপামচাত্নু হুই খোংলগা কয়া মুংঙাইনা চংগ্রে।

নিমাই — অদো হৌজিক করি তৌশে হায়বনো ?

রাবৈ — ঐদি মতম খরা Sir গী নাক্ত যুগ থৈশিরা খল্লিবনিনে।

নিমাই — কয়াম কুইনা যুগ থৈব ঙমগনি তারাবৈ। কান্নদেশে ২০/৩০ রা কোক হেক পীখোকখো। তারাবৈ অঙাংশিংনা খংদত্নুনা Demand letter হায়বনে অশেংবদি Donation হাপ্পীয়ু হায়ত্নুনা ইরকপা চিঠিনে। অঙম অঙম্বা হেক হাপতোকপ্রগা লোয়রে। মত্নুগী কান্নদবদা মথা শাবীরুম্ন ॥

রাবৈ — সাহেব করিনোনে তাকপীরিত্নুবো।

নিমাই — অবৈবদা লৈতবনা Donation তৌবমে। মন্ত্রি ঐখোয়দস্মু তারাবৈগী অতুগুম্বা বর্তন য়াম্না লাক-প্রবজাৎনি। ঐখোয়স্মু পী। মীনদি নহারোল শোগৎলি অা অতু অদা হায়বা। ঐখোয়নদি প্রজাগী সেবানি খন্দুনা ইচম চম্না Danation তৌজবা ॥

রাবৈ — Sir হোয়গদি নোংমত কাংদনা লক্ষ্মী চংলকপনিদো চায়াম পোকপা রাবৈ ঐনদি লিশিং ২০/৩০ থা কাংদনা লানথোকপদি কদায়দগী উমজগদগেদো।

নিমাই — তা বাবৈবু য়াম্না লাইররবনে হা নত্তে শেলগশে ইপায় পায়জচব্রা হায়বা।

রাবৈ — পাইত্রবনিনে Sir। Moreh দা ইপু-ইমাই পাওদর করবার খর তৌজরমবতুস্মু ....

নিমাই — চুপ ... .

(খেলেম্বা চংলকই)

খেলেম্বা — এ! পাবুং Cabinet Minister নিনে খুরুম-জরি পাবুং (খুকমই) ঐ পাবুংগী ভোত্তা য়াম্না রাজখিবনিকো সত্য।

নিমাই — খেলেম্বা মংগী কলর কাপ্পতু হৌরক্লত্র হা নংগী লাই থনদোকপী নত্রগা চেনা অহুমগী খুৎশাম্নতুবু ভোক-ত্রিবো? মতুদদি নং Champion নিনে হা।

খেলেম্বা — পাবুং কদাইদগী ভোক লাকপা য়াপোৎ নত্তে। এ পাবুং ভোকচরে।

(মপাদা কিনা য়েংই)

রাবৈ — হন্দক মরকশি ঐগী লুখুমদা লৈবা লিচৈ মরু থাও
তৈবত্রু অহিং অহিং য়াম্না খোংগ্রে ।
লমহেনবা খর্দি তকথায়রগদবা মাম্লি ।

খেলেম্বা — পাবুং লেংলকপা য়াম্না করে । ঐ পাবুংগী বল
লোদস্ু ২/৩ লাকচগ্রে, সক্রি তারিবা সিঙ্কাই লমশি
শিগদবত্রুনা চংহনদবগী রানিসে ।

নিমাই — করিগীনো নংনা ঐগী Bunglow দা লাকলম্ববো
হা ।

খেলেম্বা — সুম তৌবনি পাবুং

(Receipt book অমা পুখোরকই)
ঐখোয় Association অমা শেমজবা, পাবুংদা
Donation খর তৌবিয়ু হায়জনিংবা । ঐ Receipt
অমতা ককচগে ।

নিমাই — কয়াগী Receipt নো ককলিবত্রুবো, ভাইখোনে
খেলেম্বা ।

খেলেম্বা — য়ামদেদা পাবুং ।
(রাবৈদা) পাবাগীস্ু অমা ককচরগে ।।

রাবৈ — ভাইখো-ভাইখো খেলেম্বা, ৫০ রা ১০০ রা হাপ্লো
হায়বত্রু ইপা হাপকে অত্রুগা Receipt কদি কক
লাক্তনা তৌগম্ু । Receipt demand letter
মশি ওইরে ঐনা খোইদৌ বু-বু শাওগৎলিবসে ।

খেলেম্ব — অত্রু ওইরগা ৫০০ খক্ত লানথোকপীরকলোনে ।

রাবৈ — শে শে (৫০ চৎপী অমা পী ।
মখা তারক্লবা ফংলিবা খরত্রুস্ু ফংলরোই থংউ ।

খেলেম্বা — (শেল লৌশিল্লগা)

পাবাগী Donation খুংহাপশে মতুং তাদবদগী লিশিং ৪০/৫০ গী Love letter ঙাইহাক লৈতনা লাকই-বশে । সে পাবুং মন্ত্রিগী Receipt সিমতা। (গী)

নিমাই — (য়েংই) লিশিং ৫০ শেলফমশি থরদি Senior ওইরেশে ।

খেলেম্বা — লৈবাক অমগী মন্ত্রিদবু লিশিং ৫ বু শেললনে পাবুং ।

নিমাই — খেলেম্বা ইপা শেলফমতু য়াওরকত্রে । ঐ চেক ওইনা ইরমলগেকো (Cheque ই)

শে-শে পাইশিল্লু । ঙাইখো নংগী Association শিগী মিংবু ……… … (পাই)

All Manipur trained Gamblers Association বা ফনবু ফজরিনে ।

রাবৈ — Sir করি হায়বা হৌজিক্কী Association দুবো।

খেলেম্বা — পাবা শান্ন-খোংনবগীনি। Indoor Game নি হায়বদি মপান্দা শান্নবা নত্তবা ইমুংদা কাদ করিদা ফমলগা শান্নবা মশান্ননি ।

নিমাই — ঐখোয়দি মন্ত্রিনিনা Any Association সং-স্থানশিংদা অঙম্বা Donation হাপ্পবা য়াদবা ।

খেলেম্বা — পাবুং ঐবু থবক অমতদি হাপ্পীয়ুনে । ‘ঐখোয় Father Sailok কী লুপা কোকফাইকাবা ময়াম-শিগী আশা তৌরিঙৈদা খেলেম্বা মী ওইহৌরোইদৌরে।

রাবৈ — খংই খংদে৷ কৈ কত্তে খত্তদে ইংলিসকা থেং-থেংলজনা ঙাংব্রা হায়ববৗ নাহুমতুদা খুবাকশিনা থেংপবৗ ।

(খেলেম্বা কিনা হুনদোকই)

নিমাই — নংবৗ করি খবক তৌনিংগেনে খেলেম্বা ।

খেলেম্বা — পাবুং, য়ু জৗর ফাবা Police ওইনিংই, মখোয়না থোকলিবা শেলশি ওখাক্লা খোকই।

রাবৈ — হায় কদরমপী নংদি য়ু-জৗর ফাবা পুলিস ওইরোই খংলব্রা নংদিনে য়ু থকপা জৗর শাম্নবা Police ওইনি নত্রা ?

খেলেম্বা — অহলথংদা হাওজখিদ্রেদা ।

নিমাই — Police খনা হায়রবদি চোংকনবা, লমজেল চেনবা য়াওরি । নংদি নখোং নখুৎসু কয়া ....

খেলেম্বা — কান্নদবা রানিদা Sir । Police তসু চুম্না চৎপা ঙমজদবা কয়া য়াওরিদা। সরকারনা মরোল থোক্তবা মমিং তাংবা মনা পংবা ওজা কয়া হাপলিবশিদি।

নিমাই — নংগীহুবু কাগী তৌরিব্র । ঐশে সরকার পায়রিবা মন্ত্রিনিনে ।

খেলেম্বা — Sorry Sir, য়ু জৗর কাবা Police ওইত্রমকসু য়ুম নকপা police station দা তারগা পাবুংদা Demand letter থাজিল্লকইবা মখোয় খরশিদি কাজগে ।

নিমাই — হোই-হোই য়েংসি ।

খেলেম্বা — য়েংশি হায়বগা খন্নশি হায়বগা অনিশি পাবুং করম্বনা weight লৈ ?

নিমাই — মসি কেতেগোয়ী অমতজি হায়লা লৌবা ঙ্গাই ।

খেলেম্বা — ফনি Sir, ঐ পাবুংগী চান-থক্নবা অমুক্তা য়েং-
শিনজরগে । (চংখি)

রাবৈ — Sir ঙসাইগী খেলেম্বগী Association ছুবো ॥

নিমাই — ক্লাস-তুরিগী Association নি তারাবৈ ॥

রাবৈ — ইয়াইয়া মতুম ঐনা লুপা ৫০/- দোনেশন তৌগ্রবা ॥
Sir সু লুপা ৫০০০/- গী Donation গা তৌবিরুব-
তুবো নত্তে খত্রককি অত্তাংশিনা ঐখোয়বু করি
ওইনা খনলমগদগে । Sir সু অ,ারগী Associa-
tion দা Donation লুপা লিশিং ৫ তৌই হায়দনা
খবরদগা হাপলকলো ॥

নিমাই — তারাবৈ চাক্ত চাবা মন্ত্রি নিমাই নত্তেনে । ঐনা
পিখিবা লিশিং ৫ গী চেকতু ……… ।

রাবৈ — ভাব তাজরে, ভাব তাজরে, Thank you Sir
হায় বুধি নংবু কৈদৌরিগে, ঐগীদ মতম মাংহনবা
য়াবা মন্ত্রি নত্তেনে নংবো ॥

(বুধি ত্রেদা য়ুঙাং গ্লাস অমা পুখোরকই)
হায় করিনো মংনা তৌরকলিবদো ॥

বুধি — মসিনা করত্র হায়তুনা, সাহেব পায়বীয়ু ॥

নিমাই — এ-এ ঐ য়াজরে ।

রাবৈ — বুধি চঙাংতুবো মন্ত্রি সাহেবতা । নংদি ইপাবু
চংহাং হাংলেদনা ॥

বুধি — চিনিসু থাক্লে, শীনতুম ফরনি ।

নিমাই — চিনিসু থাক্তে হায়ব৹ ঐ য়াজরে পাইজররোয় ।

রাবৈ — ঐ-ঐ শিবনা করেদা-হায় বুধি মংবু ভাওররো হায়বা ॥

বুধি — কদায়দগী ভাওজরুগবনোদা ।। সাহেব৹ ঐগীশি অশাবসু নত্তে — চাইংনি । মনম অমুক্ত নশ্বীয়ুদা ।।

নিমাই — চাইংনি মনম নশ্বীযু হায়বা ।। (মনম নমই) বুধি মশি কগদবা মাল্লিনে৹ হকচাংশি কত্তবনিনা ঐদি য়াম্না রাজৈ ।। চাকথাও অলসয় তৌবনিনা চা অশাবসু থকপা য়াদবা । মসি য়াম্না করে৹ হিদাক ওইনা থক্লগে ।।

(গ্লাস - পায়খৎলি)

বুধি — সাহেবপু-সাহেবপু৹ সাহেবনা মসি পামলমগনি খন্দুনা ঐনা লিকলি মডক নৈথায়রগা পুথোকচরকপদো ।

রাবৈ — মসি শিংইনেহে । (নিমাই থকচিল্লি)

নিমাই — (লুপা ১০০ পী) শে বুধি, কা চাজৌসে ।

বুধি — Thank you সাহেব৹ ঐ লুপা ১০০ পী কা চাজগে ।

(চংখি)

রাবৈ — Sir সেবা লাংবশে মথোং অমা ইচাহে৹ চাদ্রে । নোংমা খরা ফজনা হোৎনজগে৹ ওসিগীদি মাপ তৌবিরো । (মখুৎ লোন্নৈ)

নিমাই — য়ারেদা তারাবৈ৹ ঐসু য়োনবা তৌরগে । তারাবৈ না য়াম্না মুংঙাইত্রগা ঐ সিফাই থারসু থারকে৹ ইমাইপেম্মা করিমতা থল্লুহুদা ।

রাবৈ — য়ারগদি Sir নোংনিনিদদি সিকাইত্নু খর থাবীরকউ।
Sir না লেংবীরকপসে ঐ থম্মোয় য়াম্না লুমই। ।
Sir, লৈরিবিডদি Phone স্নু লাক্কেদো। হোরেল
Sir চৎপ্লগা করি তৌরকদবা, খঙবা ঙমদে।
(বমুলা ¢/৳ পোখায়রকই)
হায় কদাইদগী বোমনো। (পাখৎলি)

নিমাই — নহারোলনা বম লংশিল্লক্লে, হায় ঐগী Escort তি
সিকাইশা কদাইদা লৈগে নখোয়বো (চেপ্পোকখি)

রাবৈ — হায় বুধি, খেলেম্বা, খাবা নখোয়বু কদায়দ লৈবগেনে
ইচ'শা ॥ (বুধি খোরকই)

বুধি — পাখৎলুনু - পাখৎলুনু, বমবূলানি বম নত্তে ॥

রাবৈ — বম নত্তে হায়বা।

বুধি — অং বম নত্তে, ঐনা বম্বূলা মরি-মঙা থাদোকপনি।

রাবৈ — করি নংননি হায়বা।

বুধি — মন্ত্রি লাকপগী খায়দ চারম্বা নহারোলশিংস্নু আ-
য়োরম্নি। মন্ত্রিগী Escort নস্নু মখোয়দ কাপশিল্লক-
পনি খন্দ্রনা অমুক হল্লক্লরোই ॥

রাবৈ — আ — আ

বুধি — ঙসিদি Police, Army স্নু খায়দ অমত্তা লাক্লরোই।

রাবৈ — করিগী লাক্লোইদৌরিবা ॥

বুধি — Police Army দি মচা-মশু কায়ননিংঙবনিনা মখা-
রোমদা কাপ্পরে-অরাংলোমদ চৎখিনি। অরাংলোমদ
কাপ্পরে মখারোমদা থোথরকনি। মহুস্নু নোংঙাল্লগা ॥

রাবৈ — দিমান্দ লেটরদি ।।

বুধি — দিমান্দ লেটর রালাহু মশানি তরানিদি খায়দা চংলকপা ইকায়নি ।

রাবৈ — মন্ত্রি লৈন-লৈনা বমুলা লংশিনবা ওয়বকো ।।

বুধি — অহাইয়ো হৌজিক-কালগী মন্ত্রিব, মন্ত্রিরো ।

(খুবাক খুজিদি)

Light off

রাবৈ + বুধি + নাওচ + খাবা + নিমাই + খেলেম্বা

দিমান্দ লেটর

(সেকেণ্ড হাফ)

মতম :— সুমিদাংরাইরমনি

মফম :— রাবৈগী য়ুম ।।

(**Romeo film** গী **Rehearsal** তৌদুনা লৈ, খুৎচৎ লাকচৎ **Pose** শেমদুনা লৈ)

Romeo — কান্নদে ইমুংগী মী খর লৎলীংহৈসিদা **Film Rehearsal** ভাইহাক তৌগে । (নিঙ্গোংদগী **Script** শৎতোক্লকই)

লম্বীগী **Scene** শি হান্না তৌরগে থাজমানবী শান্নীবীদুগা য়াওরবদি সুংভাইদৌনি । অহম অহম হৌনবা তৌরগে —

— থাজমানবী নংদি পাখং থম্মোয়গী থাজনী। লৈচিল নোংজাই থাংজ্রবা পাখংগী থম্মোয় অভিয়াদা মেরাগী পুনিমাগুম ভানবীবুকো মাইপাকপী ॥

— (মুপী মখোলদা) ভমজরোই ইবুংঙো মীৎয়াম্বা, অউ খুদিং পামগনবা, থেংন খুদিং খোইদাগনবা নরমচৎতো ॥

— করি রানোদা চান্নবী, চীংন রাথল থাদোক্লো। ঐদি নংগীদমক লেপলবনি। উপালনা মকম হোংব্রো।

— (মুপী মখোলদা) লমদনলম্বা খোইমুগী লৌনমদা থাজক্লবদগী শিঙ্গারৈ কৌবী লৈরাংনা অযুক্কী মালংদা লৈকা চোইজাইনহৌই। মাই ভমজরোই ঐদি ॥

— ঐদি কুচু মুবা খোইমত্নু নত্তেযে পুন্নুম পোমশাংনরীবী লৈহাও নংতগী লাংগ্রুবীনে-লাংগ্রুবী।

— (মুপী মখোলদা) মবুং তবেংকী থবাতোন হুবালবা লাকপা কবুই কৈওইবদি নত্তেকো।

— নচ্চদেযে পাখংচাওবী।

(অনিমক নোকই) হে হে হা হা হুম মওং তাদে হা হা হুম হুম ...... মথা তাবকপনা Song sequence নী ঐনা থাজমানবীগী মথুং পাইরগা (ভসাইথৈ থোরক্লগা কুম্মৈ য়েংলিবা বুধিগী মথুং পায়রুই) বুধি পুময়াং লিংলী, পাইজমান শেংলী ভকতা চুনী য়াল্লী Lipstic কৈ, Eyeborrow য়েকই নাচোম চিনলি)

— লাকলো চান্নবী, থরাইগী লৈকোল চংলুশী, মুংশী লৈরাং হেকলুশি (Act হুম তৌরকপদা)

বুধি — হায় Romeo নং নাহুম কাইগেরা হা শেরা ঐবু মাগী থাজমাববীদোন', হুমতেকউরা নং (ফুগদবগী লামলকই)

Romeo — তামোচো তামোচো ইস ঐদি আ য়েক্লরেদনা Sorry Sorry Film Rehearsal নে।

বুধি — Film মমীংনা করি ?

Romeo — লৈচিলগী মৈচাক, হৌজিক্কীত্থ Film তুগী Song sequence অমনি। ঐনা Hero কুম্মীযে তামোচো।

বুধি — ঐনা থরা পাগা Subject ওইবগী শাওবা হন্নবগী বানী। ডাইখো Romeo নংগী film তুদা ঐ য়াওবা য়ারোইদ্রো। এস্থ মতা অমা ওইনা নংনা থংলীহুনী।

Romeo — করিগী য়াদদগেনে তামোচো, Director তুদি ঐনা হাযখিবদা অতুম য়ারে। হৌজিকপু তামোচো কদোমদা (মুন্না য়েংলগা) য়ান্না Pose তাইয়ে।

বুধি — অওইকিরো (তাক থাই) নতৈমা উন্নরুগে তৌনী থংলব্রো ?

Romeo — ইমুংশিদা তামোচোগী অবাবা কনানস্থ উবিদে মনাও Romeo ঐ নত্তুনা। ঐ য়াম্না পেনদে। তামোচো ইতৈমা ওসিমক হৌজিকমক পূবীরকউ। ননাও কা-ন্নুং লোয়শিনজরমগে।

বুধি — আ-আ অহ্নু ওইরবদি ঐ মঙাল অমা লাকএ। Romeo ইয়াম্বা চুরুট মচৈ অমা থকলগা খাখল তুংগে
(চুরুট থকই, Romeo চুরুট থকনিংবগী মওং তৌই)

Romeo — চাওনা লুহোংগদৌরিবনি। Dady না য়াদবা য়াত্রা। Dady য়ানবা ভাংনবগী দাই নমাও Romeo না লৌজগনি Don't worry, be happy.

বুধি — নবা তাবদা পেল্লিহে নখুৎ শোকে ইযো।
(অনিমক hand shake তৌনৈ)

Rameo — Video কাম্পনীদি খোইনা থল্লু তামোচৌ। তামোচৌ লুহোংবা মুমিংকী অয়ুক্তগী তামোচৌনা চিন শেংবা ইরুজবা চা থকপা লোইনা কাপহনগদৌরিবনি। ঐখোয়গী film নংগী Camera man photographer ঐ লোয়না পুরকেবা।

বুধি — ভালো ভালো, ইনাওনা মহুমদি শোইহনবীবা য়াদেকো, ঐ ঐ চুরুট লাজগে (চুরুট মচৈ অমা লানলী)

Romeo—Thank you, তামোচৌ মৈহু অমুক্তা লৌজগে।
(রাবৈ চংলকই)

বুধি — এ এ, য়ানি য় নি মৈ শোমদা লৈজরে। (চুরুট চমই)

রাবৈ — হায় Romeo (লাওই) করিনো নখোইনা তৌরিদো হা।

Romeo — Dady, dady তামোচৌনা মুম …
(কিনা নিকই)

বুধি — ঐখোয় Romeo film কুমগনি হায়হুনা তৌরিমাকে। film হুদা চুরুট থকপা য়াওই ঐ হৈতে তামোচৌ খরা তম্বীয়ু হায়হুনা ঐনা তম্বীরমলীবা।

রাবৈ — শিংইনকো বুধি নওনা শিংবশে । হায় Romeo
কদাই চুরুটতু কদাই পীরকউনে ।

Romeo — হৈস্থ হৈজ্রিঙৈনা৹ তামোচৌ শুমাইনা তৌব্রা ?
(৩/৪ থপতুনা চীংলগা মপাদা পী)

রাবৈ — কদাই বুধি নংগীস্থ হেরা শীকী থোকতবা নথোইনা
মমল য়াম্বা চুরুটকা থকলদনা ।

বুধি — আ-আ খুংচিংতু শুমাইনা উরব্রা (৩/৪ রক ফৎ-ফৎ
চীংলগা) হৈরনিকো (চুরুট লোইহুনা লংথোকখি)

রাবৈ — (চুরুট চীংলগা) চুরুট থকপগী Director চৈ চানিং-
কো । ঙাইখো। film নম্মীবনি হায়তুনা য়ুমদগা
শুকহন হনজিল্লকত্রিবশী করিগীনো হা । নথোয়
নচিন ননাও মরীশি থা অমদা কয়ারকতি উনৈ হা ।

Romeo — Dady, য়াদতুনা তৌরিবনি৹ য়ুমদা লৈনিংদবা
কনা লৈবগেনে অপোকপা । উচেক রায়াদস্থ কোরৌ
নরল হুল্লকপদা মোংবা মরানয়াই পাংনরকপনী ।
কাওরেল শঙ্গানরকপনি ।

রাবৈ — নংগী filmগী৹ ড্রামাগী dialogue হোইরক্রা Romeo.
নথোয় নচিন ননাও মরি লৈনা লৈনা Demand
letter ফংলবা নপা ঐনা শেগা মাইগা তামকম
লৈতহুনা রারীবশে উব্রা।

বুধি — Romeo নং পাবাগা রারী শান্নহৌয়ো৹ ঐ থেংব্রে ॥

Romeo — ফনী তামোচৌ মঙ্গোল ওইবীরকও, O K.
good luck.

রাবৈ — হায় হায় চংখিবা ম্যাজোই, ভসি বা তায়গদবা ঐং॥
(খেলেম্বা চংজক্লসা চেন্থোকখি) হায় হায় খেলেম্বা খেলেম্বা ভাইখো ভাইখো, মসি চেনখিবা তারে॥

(তায়খি)

Romeo — হুরালবা কানবা পুলিসনা তায়বসি ভাই।

বুধি — অতৈদি খঙদে পুথম জেংকোং নারোক্লা য়েগ্নদদী নয়াম্বা খেলেম্বশী Expart নী Expart।

Romeo — তামোচৌ হুরালবশে Police না কারক্লে।
(রাবৈনা খেলেম্বা ফুর-ফুরহুনা পুশিনলকই)

রাবৈ — মোন মথাদগী শো কনানা লোথোকই হা (য়ুই)
উপু বাকশী কনানা ককাই হা॥

খেলেম্বা — পাবা ঐ লাঙ্গরে, লাঙ্গরে॥

রাবৈ — তুগী শক্লাশীগা তৌজশারিশে য়েংউনে হে জুবার রাজা কদরমপী (তুগী মূনলি জুবার চে জ্বাই তায়কই। ইয়াইয়া য়েংউনে।

খেলেম্বা — অস ঐদি লোইরেদনা (পাখংনা খুনজিলী)
(বুধি + Romeo নোকই)

রাবৈ — শিদবু শাওকহুনা কৰি কায়গদগে॥ Romeo নয়াম্বা খেলেম্বশী কাক সাহেব মাস্রা হা॥

Romeo — তানোয়াই থম্বাল বীবী অমা শোমদা লৈরে শে (পী) পাইশিনু॥

খেলেম্বা — (জোরগা) হাক্লা করেম কথাইনহু, নকি ঐনা ফুবা ভম্বা খংলব্রা (ফুগে তৌরকই)

Romeo — শাওব, শাওবোইনা তুরার চে হুরালবসে।

বুধি — হাকনা তাখৎকম্ন নংদি ঐনা নশম ফোইদৎপা ভম্বা খুজিল খোতৎপা ভম্বা থংলত্রা। পুশম য়েপ্পা ।। (মশম ফোইগে ভৌই)।

খেলেম্বা — নথৌ করি লৈগে। ঐব, কনাগী মপোৎ হুরাল্লুগে। মপাগী মরলদি মচানা শিজিন্নবা তাবা ।। পীম্নু য়াত্রগা লোন্না লৌবশী বানি।

রাবৈ — নংনা লোন্না লৌরিবশী কয়ারক্তি গুরে হা। নশাগী নপোৎপু নশানা হুরালজরিবা নংবু করম্বা মীনো।

খেলেম্বা — হোইনে ঐনা তৌরিবশে ফত্তাফত্রবা জাৎনি। বাবা, ওকত্রবা নচাবু ভাকশীয়ুনে বাবা (খুরুমই) নচা ওক্তবা থবক অমুক হন্না তৌজররোই।

বুধি — Acting ফাওবদি মাল্লিনে Romeo.

Romeo — তামোয়াইশে খদ্রক্কী Acting দি অত্নম য়াবনি তামোচৌ ।।

রাবৈ — নং ইপানা শারিবা মাথাশী খঙদে নত্রা। নচিন ননাও নখোয়না ইপানা রারিবশি খঙদে। নখোয় লৈনা লৈনা দিমান্দ লেটর ফংলবনিনে ঐশে।

খেলেম্বা — বাবানা হায়রীবশে ভারত্রা? য়ুমদা থর থর হনাজল্লকও হুই অঙাওবা ।।

Romeo — তামোয়াইদি। ঐভোম্বা তায়শিন্নবদি কান্নরোই।

বুধি — নচিন ননাও চায়নগে হায়রীব্রো চায়নৌ চায়নৌ। ঐখোয় ইচিল ইনাও ঈ মশেলনি হায়রগা খুৎলাই

পাইবা মীতৈমচাশিং নোংমতা কাংদ কাপথেক্লগ্নি-
বশীনি ।

রাবৈ — করে, করে ইচাশা, চকু কাইরগা কাক্লা হল্লাওবনি। মথা তানরস্নু। হায় Romeo ননাওমুপা অতোনবা খাবস্নু কোৌথোকউ। ভসিসে করি মুমিৎনো হা। মীশীং শুবা মুমিৎশিদা ইপা ইচা ঐথোয় করিনো খর থল্লশী ।।

Romeo — ও খাবা খাবা, ছত্রং শাম্নরীব্রো নংবো। Dady না কৌরী থোরকও পুংশে আ য়োৗব্রেনে তৌরিশে॥ (খাবা ফুরিৎ লীৎশীন লীৎশীল্লা থোরকই)

খাবা — ময়াম, ঐবু কৌব্রা করিগীনো হা।

খেলেম্বা — অভাং নং ব্যাবহারদি খর লিকইনকো। নাক্সমছু কাইনী খংলব্রা।

বুধি — লিকই লিকই ।।

খাবা — করিনো হায়গদবা হায়রো, ঐ Chess tournament অমা য়াওবা চৎকদৌরিবনী। মতমগী মমল খংদবা তৌনগুমশী ।।

বুধি — ইহে ইকাওব, কাওই, ঐস্নু ইনেবেম্মা ....
(চৎকে তৌই)

খেলেম্বা — তামোচৌ মিনিট অমতা Please.

বুধি — ঐ য়াওহল্লমুবা খেলেম্বা

রাবৈ — বুধি

বুধি — পাবা

রাবৈ — খেলেম্বা

খেলেম্বা — বাবা

রাবৈ — Romeo

Romeo — Dady

রাবৈ — খাবা

খাবা — পাবুং

রাবৈ — নপা ঐবু চপ মান্ননা কৌবা ওেমদবা ইচাশা নখোয়বু করম। মচাদা পূকচেল খেইজেন তিন্নবা লিংজেল মান্নরকখিদা।। Demand letter লাকলিবশিবু কনদোশিগে ইচাশা। কৈরোই লৈকাইদা য়া য়া লাওরুবা য়ানা এফমন্ নত্তে।

Romeo — ঐখোই Telephone দি বদাইদা চংশ্রে উদেনা।

রাবৈ — Telephone দা ডাইংকা লৈতনা ধমকা তৌরকপা তোইনা তোইনা কিংল্লক দগী ইপানা মরী-মরাং ককথংলগা লমশ্রে। নত্তে হন্দগী লিশিং ৫০ গী দিমান্দ লেটা শবু কনদোশি হায়বগে ইচাশা।

বুধি — পাবা ইনাওশিংগা কন-ফনবা খন্নবীহৌরো ঐদি ময়ামা সি তৌস মাসমা তারে হায়বহু হুকুম য়াজার। No objection চংলে চংলে।

রাবৈ — বুধি নংবু চাওহাবতদি ডাইখোদা।

Romeo — Dady তামোচৌ চংচশ্রসনুদা, তামোচৌ থেংশ্রনি য়োরো অমত্তু শোইবা য়াদে।

বুধি — রাবৌ যাদে পাবা ঐনা চংকদৌরিবসি মেরা জিন্দগী কী সাওল হে ।

রাবৈ — এ মেরা জিন্দগীকা সাৱাল হে বাইনা ।

থাবা — ঐস্থু মতমশি যাদ্রে, চংলুখিগে ইযাম্বশিংনা পাবংগা খ [illegible] লৌবা বা[illegible]দা খোমৈ খোমদোন এস্থু [illegible] যাঙ্গে । অম পুং ৩দা হৌনি হাযবনি এ[illegible]দ কম[illegible]দা ন ।

Romeo — এস্থু চাক লাম্বনা তংবদৌরে, [illegible]মাযা[illegible] Dady [illegible] খবরা হৌনি[illegible] ঐ পুনা থে বকাকে, (মণিপুর সেইক্রে) পুং ৪.১০ দা Shooting লৈনিনে, তাবু [illegible]শিল্লকলে (চংথি)

বাবৈ — খোঙ্গ [illegible] নংনা বনদোবা ।।

খেলেম্বা — হে [illegible]বল [illegible]দা চ ব চাং[illegible] পুম্পা পু[illegible]। মদদা ইপা ইচা [illegible]থাই পুন্ন খন্নশি বাবা। [illegible] [illegible]ম্না লানাখ্র [illegible], [illegible] তুব [illegible], উপু বাকশী যক্ক ইনা খুং[illegible] জুল্লাব [illegible]ম্না-[illegible] ঢুপা চবুন চবুন থাদকখর্ [illegible]পীগী খুংশ থাদক[illegible]না ফন[illegible] ফনবা ([illegible]লাদ বপা বপ্পা [illegible])

রাবৈ — খেলেম্বা, কনানো [illegible] অবাত্রা মুপামচা ওক্কংস্থু ওকত্রবস্থু শোইনাইংবা মচাবু ব[illegible] মপা ম[illegible]না যেংহুনা লৈবা ওম[illegible]গেনে ইপাগী ইবুংঙো ।। নংবু নপা ঐগী শেল লোম্না লৌথোকপা নত্তনা মীগী মপোং হুবাল্লুবা লৈবব্রনে খেলেম্বা ।।

খেলেম্বা — ওক্তবা নচানা বাবাগী মরল লোম্না খর ফোংনা খরা শিজিন্নবগী থানী। নচা মীগী মপোৎ মরল হুন্না য়েং-জদেনে বাবা। মসি পুন্নমক অশে ইমা লৈরম্নবদি অমত্রা থোক্লম্লোইদবনি। ও ইমা ইমা, নচাগী মতৌসে লেংনা শুন্নী এনে অপোকপী (কপখৎলকই)

রাবৈ — (মপী তৈথোকই) ইচগী মতৌ উরগা নপা ঐগী থম্মোয়শে পুবা নমক কাংলনে য়াইমা। নংবু নমা কৌরগা কপ্পহু কপ্পনুনে ইবুংঙো ॥

খেলেম্বা — (হেন্না হেন্না কপখৎলকই) ও ইমা নংবু অমুক্তা হুন্দবখোদা। ... থোক্লবা বাবানা রাবীবশে রাখিন্দা। নচাশীংশে অমত্তু কাংখোং চাইরম-লোইয়ে ও ইমা ... শীবী।

রাবৈ — লৈচীগ পোমাই চাংদুনা অমক্তদি য়েংথবকউ মহোই মমা পুকফবী। ... নানা তুন্দে রগ চংহৌদা। নচাশিংনসু মপা ঐবু ...। য়েংদিদে। ঐসু ননাক্তা লাক্নো মহোই মমা। (কপই)

খেলেম্বা — বাব কৰিানা ... ইমানা পীশক পীক্না ... ইচিন ইনাও ঐথোযবু বাবানা ... নচাশিংদি বনানা বোঙী-হৌনি। ... নত্তবা ... খনবীগনু। (থেমজিলী)

রাবৈ — ইপা ওসিদী পুক্রীং য়াম্না নুংশি খলেম্বা ঐ ওসিদী পংবম্না বপীংই (কপই)

খেলেম্বা — নচাশিংনা চাম্দক লাল্লবসু মপা মমা ওইবশীংনা চম্নরক ওকপী হায়বদাইনে বাবা। ওক্তবা নচাবু

ঙাকপীয় বাবা। মচা ঙসিদগী ওক্তবা লমচং শাজং চংচররোই, যু জুরার থাদোকচরগে বাবা (খুকনই) নথোং পাইতুনা রাশকচরি ॥

রাবৈ — অহুনীদনা মুপামচ, ইপা পেল্লে খেলেম্বা, সে সে হৌগংলু।

খেলেম্বা — প াীগী জুরাব চে (শেগাই) নংনা ঐবু পুংমাং মাংহনলবনিবো। বাবা উপু বাকশিশে ঐনা শো ফককাইরগে, যেংবদা ভুংঙাইতে ঐ শো অমগা লৈজরুগে, পৈশা খিঙা পীযু।

রাবৈ — শে শে কয়ানোনে, কুনশিনা য়াবদ্রো।

খেলেম্বা — যানি বাবা ১৫ গা পীবা মচা অমা লৈযকনগো, মঙাডু বাবাদা অনুক হনজযকনগে।

রাবৈ — চংলো চংলো থুনা হ নউকা।

খেলেম্বা — হোয বাবা, হ Romco নং চংথ বনদং ব বাবাদন গুমদা গৈ বনা। ঙ ই কনগা শী খাইগে (মথদা) চনদা ২০ মিনা শ ক ৰ য লুহগে (াগ ব)

রবৈ — ঐদি ইচা খেনাম্বশি অন ঙায়দবা মাগে। বাই- দকো ইচা পোকপ। (চৌক্লদ স্বর হনাদাকনা যনই) দিমান্দ লেটরগী পাকমসিদ নোইশিনখ্রবদি ঐবু খুযা তুশিংলনিঙ্গা। মসিদ ছামক পনবগম ঐবু ওস্তোকনা বাংহনলেদকো। (Dress হোংলগা Romeo থোরকই)

Romeo — Dady ঐ থোকখ্রগে । Dady খকতা ইমুং-
শিদা লৈ খংলদুনা Demand letter পীরম্বা মীশকতু
শোইদনা লাক্কনি ।

রাবৈ — করি হায়বা Romeo (পাখংলী)

Romeo — পাখংপীগনি Dady নহালখৈ নচানা film নন্দনী
হায়দুনা চংলিবশি অরে দা পংচং চংপা নত্তে ।
Demand letter থাজিন্নকপা কনানো হায়দুনা
কোইথি থিরিবনি ।

রাবৈ অদো নংসু চংথোবগ্রো ইপাবু ইথন্দা.........

Romeo - Dady না থাকইবনিনে করিমঙ্গা মুংশা থিবি-
গনু । হোটেল শেল লৌবা চংলকপা মুপাহু মপান্দ
গী ঐনা ঐগী ইনামবাশংনা কোইশিল্লগা ফাগদৌ-
রিবনিনে Dady.

রাবৈ শোইদেকো Romeo (হুরাওই)

Romeo - শোইদ্রে নে Dady থাখল মুত্তাইনা শে
মাংলেংলশিদা শাক্তাই নিকয়না ফজাম । নচা
নারোয় শিনবানা চংলো চংলে Dady Good
luck (খাবস)

রাবৈ - সি ওইরদ রাবৈ ঐ স্বর থরদি হোনদোক্কদোরে ।
ওকতে শিংদে হায়রগনু মপাবুং খনদবা মচা লৈগ-
দ্রনে ॥ ইচাগুপা ৪ শে চাওনা চাওনা নুংহাংদুনা
মৌ লেইনা থিজিনবিরগা মুংওইনা পানথোককে ।
(চৌক্রিদা যমই) হায় ওসশিবু ঐসে পুলিসকী

ওসিত্থনা থনাদা লাকউ হায়বকপা নত্রনে ॥ ওসিত্থনা থোংবগংনা ঐগী মতেং পাংবিগদৌরিব্রা ? নত্রগা কৈনোন্দগী শেল চাথোককে তৌরিব্রা ? হৌজিক কালগী থনাসে থাজনিংবাই ইওই ওইদবশিনা । হান কনানা চংলকইশিবা । নহারোললনে হি ম ক কৈজাম কেগলি চন্দন-চবা লংনা থিল্লিনে কনা ওই বগবা (চেথখুনা যেংই)

(মেলৈ পাঞ্জি চন্দাল চরা থল শিন্দুব ফাংনা ডাংনা নমনাবন্দা পাঞ্জী লাংবিক যেংনা চলাকই)

মেলৈ — মমগী ওইনিংনে মহাজন বাবৈবু লৈরা ? শাগংবা চংথংলীন সিদর Demard letter থাজিন্দবা হৌনদে । হৌজিক থেংনাইদা চেং লৈরেই পৈবা হদে শেল থাইবা হেকা লাবগ্র । বনংনই লৈবা ক ে । ও বনা কনা লৈবদে, পাঞ্জি মেলৈ লাকচসি ।

(না নিংনা লৈহাগ নাইা নবকই)

রাবৈ — ওজা পাঞ্জি লেংনা মুংডাইজবেদা লেংশীনদা, লেংশীন বিবু ॥

মেলৈ — মহাজনগা নন্না হযনবহা খোবচরিবনী । মুনাখু কুটি যেবা খুনাক মরি যেনা, লাই থুকনীবু হায়বা কয়া অমা অমওগী কক্তনা লৌহৈববনী । মযামহ ছান্দোগ্ন । ঐ মহাজনগীদা লাকচরিবনিদো ॥

রাবৈ — যান্না মুংডাইজরে ওজা পাঞ্জী ॥ ফিদা শোমদা ডাইহাক্তা লেংশিনবীযু ॥

মেলৈ — ফক অহনবা লৈত্রো অতুদা ওইনা কমজরগে। তুনিয়া পূনমক কম্বা Sofa তুদা যম্বৎ মুংঙাইজদ্রবদো। তৌগদৌ রিব স লাই ভিনগী থবক্কীনা।

রাবৈ — য়ানি যানি ঐ ফক [illegible]থাকচরুগে, ঙাইহাকতনি য়ারোবীবা য়াদে। অঙাংশিংস্থ লোইনা চৎখাকক্লে (চংখি)

মৈলৈ — ধব থব [illegible] [illegible]। অমকী Lottery তুবু Number [illegible] জাংনো। (কুবিংখাওদগী চোক্কং অমা পুথা [illegible])। ০, ৫, ৩, দা ৫০/৫০ নী থাখিনা। ইন্দকী হ[illegible]দ ও দা হঙ্গিন হঙ্গিন লাকই [illegible] থ [illegible]॥

(রাবৈ [illegible] পুথাকগা পাই)

রাবৈ — [illegible] পাম্বী [illegible] [illegible]বা॥

মেলৈ — [illegible]নী [illegible]নী। (ফ[illegible]) [illegible]জনগী লোইবগা মন্ত্রি চা[illegible] দা [illegible] [illegible]।

রাবৈ — মাগীদা [illegible] [illegible]॥

মেলৈ — নহাল Tour [illegible] কাপশীল্লবও হায়নে। মতুগী [illegible] লেনা॥

রাবৈ — ঙরাংদা CRP গী [illegible] অমা কাপথেক্লম্লমা [illegible] [illegible] ওই॥

মেলৈ — কাপকনি, কাপকনি। ইন্দক চহংগীদী লৈবাকী অচৌ অশা, শেংবা পাইবশীং মরাই তাও হায়রবা লৈরম্ব মহাজন।

রাবৈ — থংভ্রেদা মপাল ইপাল থোক্কদবস্থু কিজরে। মুন্দা লৈবস্থু ল'ক্কদা হায়না কিজরে। কদাইদা লৈরু-গদবনো খ'ঙেনে। ওজা, ঐগীদুবো কমদৌশী হায়বনো? করি করিনো য়েংগদবা য়েংবীরোনে।।

মেলৈ — ফ'ন ফনি। ঐ য়েংনবা ঙৌজরগে। ঈশিং অশেংবা খি'ং পীবীয়ু।।

রাবৈ হানী মানী ওজাবু ঐ লৌথোকচরুগে (চ'গে তৌই)

মেলৈ — মহাজনবু ঙসিগী ঈরু-মাইথজবীরেকো।

রাবৈ — অযুক ঙন্না লু'থোকখ্রবনী ওজাবু।

মেলৈ — য়ারে য়'রে।। (রবৈ চংখি) ২০০ হমা ৩০০ অমা লৌথোকখিদবা মাদে শেল পাইবা পাইদ।। ঐ'দি Lottery ককনবা শেংমা রাংপা মাদে।। (রবৈ ইশিং পু'থোরকই)

মেলৈ — ঙে ই ঈশংদী নংবো মহাজন।

রবৈ — মংঙ ওজাবু, মশি'দা পুখ্রি মচা অমা লৈ। মদুদগী শোকললকপনী।।

মেলৈ — O.K, O K মিদ' শিদা থ'ীয়ু (ঈশিং লৌথ মশ'দা ঙাকাইবদা খ'ংবই) ও বিনা পানী সরস্বতী নমসতুতে নমো নমো ওঁ গনপতি গানেশং নমস্তুতে নমো নমো, ও কমলাপতি লক্ষ্মী দেবী, ধনপতি নমস্তুতে নমো নমো।

পান্তি — (লাইরিক হাংদোকই) শে শে ওজাগী সি মুম তৌরনী (ধুপ কৎলগা লাইরিক পুজা তৌই) মহাজন

পুকনিংদু য়াম্না ইংথবীরগা লাইরিকশিদা থম্মোয়শেং-
না থাজবা থবীরগা লুপা ৫০ দং কৎপীয়ু ।

রাবৈ — শৈহোৌদা Amount শে চাওইদা । য়ানি য়ানি
ঐ কংচগে । (৫০ চংপী অমা কৎলগা খুরুমই)

মেলৈ — জায় জায় । অদুদনি মহাজন পুকনিং চংনা য়াম্না
মুন্না খনবিরা শে শে মাসদা য়াওরিবা ৩ ঙ্ক মশিং
শিং অসিদগী খোইদাবা Number অমতং খনবীয়ু

রাবৈ — এ ! শিবু Lottery গী চক্রদু নত্তরনে ?

মেলৈ — এ, এ, করিনোনে মহাজন হায়রইদেনে । সিদি
হনুমান চক্রনি । ও হনুমান ঠাকুর শমা করে,
নমস্টতে নমো নমো । (খুরুমই)

রাবৈ — নংরসি ওজাবু মসি ওইনা খনজরে । (নমই)

মেলৈ — আ, আ, য়ারে, য়ারে, । ঐ অমুক্তা হেংৎতুনা য়েংজ-
গোকো (চে কলম পুখোকতুনা হোৎনৌ) (রাবৈ মোরা
অমা লৌখোক রগা চেংগী মনাক্তা থারগা ফমই)
মহাজনগী দশাশি ইপাং পাংদে । নাখোঙদা খরা
অয়ংবা লৈ । অপাইবা দশা লৈ ।

রাবৈ — ওজাবু অপাইবা দশা হায়নসিবু করিনো ?

মেলৈ — অপাইবা দশা জায়বশি গাড়ী এক্সিদেন্টদা মতু ওইবা
দলাপদগী তারকপা, নহারোলনা শৎ কা কাপশিল্লদু ।

রাবৈ — ইমাইপেম্মা, ইস ইপেম্মা !

মেলৈ — ঈ দা, মুংশিংতা, লুদা-তোংদা অয়েৎপা পীরী। ঈশিং মরিদা বেবা থাংগনি।

রাবৈ — মতুনা করম তৌবা জাংনো ওজাবু?

মেলৈ — চুহিংগুণা, অশিংবগুম্বা থকচিন্নরগা ঈশিং য়াম্না চৎত্রো?

রাবৈ — ওজাবু ওজাবু।

মেলৈ — কানি চাবরা গনজা থবলুবা ঈশিং থর লিকনা চৎত্রো?

রাবৈ — ওজাবু, ওজাবু।

মেলৈ — মতু ঈশিং মবিদা বেরা লৈববনি।

রাবৈ — মখা তাবীবু ওজাবু।

মেলৈ — অহিং খেংনা ভুমদবা কালদা হকাম চল্লরবা চাক যাম্না লামলগা পুক্কা শাওংললবা যাম্না কিবকান্দা শমনা চপ চপ যুংখৎলবা, মীহুল দংদং তল্লবা মতু ঈদা লুংশিংতা, লুদা তোংদা অয়েৎপা লৈবদগীনি॥

রাবৈ — ওজাবু ওজাবু মতু পূন্নমক ননাইদা লোইনা থোবলবনিনে।

মেলৈ — য়ানি, য়ানি, কৌফম পোকপা শজা পুজা তৌরগা লোইরে। মীন যেংশিল্লিনে মহাজন যুমালাননবনা খুৎতুম শিংলি। তুম খুৎনক থাজিন্নবগে।

রাবৈ — দিমান্দ লেটর থাজিল্লকপতু ওইগদ্রা ওজাবু।

মেলৈ — তুম মতু নত্তবদা চলকাদোরি, চংলকতবা যারোই, শোইদনা চংলকনি। শেল থুমগী দিমান্দ নত্তবদা

যমগী সোমোল অনা য়াওরী। মহাজন্দী হন্দক কর্ম্ম যুগস্থ তারি। থরানমীচাকস্থ শনখোংদা তারেনে।

রাবৈ — (পাখৎনা) ওজাবন্ মতুগী প্রতিকারগদি লৈররোইদ্রা? নত্তে ঐবন্ ইচাশিংগী কর্ম্ম য়াম্না রাৎলী হায়জরিবা।

মেলৈ — সনিগী দংস্তিসি চহি ৬০ নি য়েংগদবা। মহাজন দি হায়েং কু ক'রফাওবা সনি ঠাকুরনা য়েংগদৌরি॥

রাবৈ — ক'রিনোনে হায়বিরিবসিবো (হুমাং তৈথোকই)

মেলৈ — (মখা হোৎথৈ) হন্দকী শিবগী লাংফমশি নান-থোকখ্রবদি চহি ৮নদা খোইনেল ওইয়ে। মহাজনগী ওইথংবা পুকনোপতা লৈবা শমক্রস্থু অমুকত্ত য়েংজগে কি তাখৎপীয়ু।

রাবৈ — ওইথংবা পুকনোপতদি ওজাবন্ শমক্র লৈতে।

মেলৈ — পাঙ্গি মেলৈ ঐনা হায়বা রাবু থাজদবোইদো তাইবং ইনুংয়াই চাওদবা। ফিতু তাখৎলুনে অমুক্কা য়েংশি হায়বা।

রাবৈ — লৈতে হায়বনি ওজাবন্ তৃ য়েংবীয়ু। ফি তাখৎলি

মেলৈ — এ, লৈদ-লৈতনে, বদাইদা চৎখ্রে হা। দশা পাংদবক্তুদা লুপখ্রেদনা। নত্তে কদাইদা ফাওংখ্রগে হায়বনি।

রাবৈ — ওজাবন্ ওকতা শমক্র অমাদ থুংই, য়েংবীয়ু শে।

মেলৈ — তোতো ওইথংবা পুকনোপ্পা থুংলম্বতু ওকতা ফাও-গৎলমলেদনা। মাংবদি য়াদবদো॥ ইস লুখ্রেদা ওক হায়শিদি ওকনিদো।

রাবৈ — ওজাবু ঙকতা শমক্রু গুংবশিনবু ফত্তরনে ।

মেবৈ — পাংদনে মহাজন । ঙকতা দাগফম লৈবা হায়বসিদি অফবা নত্তে। মহাজনগী পোকপা নুমিৎশিনবু থাংজ ওইবগে ?

রাবৈ — ওজাবু ওজাবু ।

মেবৈ — তোপ্তো ঙকতা থাংনা গোকলবদবু করি ওইগদগেনে মহাজন । রাশিনা করি ওইরবনো ?

রাবৈ — কুন্তনি ওজাবু ।

মেবৈ — চুমইগনে চুমইগনে খকং মফম চদবদা লৈরেনে । খকংশি হেক কাইরো মহাজন হৈনশিংগা হাবদনা ফোৎপা লাকপা যাবা নত্তেদা । দশালি ফংবা হৌনামথৈ ফত্রেবো ।

রাবৈ — ইস ! লাইলোন খুবম্নগী ফংদা ওজাবু । ঙমুকতা পুকনি চংনা ।

মেবৈ — হোইদা হোইদা ইশ্বর হায়বসিদি হায়জ্জ মচ রোরগা অহুম য়াবনিদা মহাজন, মহাজনগী থনাবতা কাগে ইমানা নেংলে । অচুনাম মরক নাবতা থগোকইবা, নুমিৎতগা হেক হেন্দুনা হাকথিগা হেক খল্লিবত্নু ।

রাবৈ — কুইরে ওজাবু ঐনা থগোকলকনিনসি ।

মেবৈ — কুইশিনগ্রাগদি শ্বর হোনবা রারক্কদৌরিবনি। মথোই ডাক্তরনগদি অজনা কা হায়বত্নু ওইরক্কদৌরিবনি । তৎনবা নুমিত্তা কালি পুজা অমুত্তা তৌথোকশি ।

রাবৈ — ওজাবু পোৎচৈ পোৎলমদি ?

মেলৈ — ডাক্রা ফুট অমা মখাই শাংবা অমা, শিন্দুর খরা শেম Kg. মখাই অমা, চিনি মপাক ২, খোইহি লিকলি ১। খোইহিদু ইমা কালিদা কৎলগা এরা হিদাক শেমগা মহাজননা থকপীগদবা।

রাবৈ — অদুদি কদোইগে ভৎনবনো য়েংথোক্লগা ওজানা কালি পুজা তৌবিদবা য়াদে।

মেলৈ - হোইদা হোইদা। খুক্ত শুপ্তাইদা। মহাজন ডকপা যন্ত্রশি শিজিনবিয়ু। ডসাই ডকতা শমত্র, ফাওরক-খিবদুগী প্রতিকার ওইনবান। যন্ত্রশিগী মতুংদা চীং লাইগী মউন, লাইরেংগী মহাও হাওরিবনি। শে, শে, শিজিনবীয়ু। M.L.A. মুনজেৎনা পীয়ু হায বদগা এরা পীদীপোৎ নত্তেদা।

রাবৈ — ফনী ওজাবু অদি শিজরগে (শিজিনী) মসিগী যন্ত্রশি শীরবাদ অপইবা দশা লাংফমগদি চঞ্চরোইকো ওজাবু।।

মেলৈ — নোংমৈ মরু চংনরোইদ্রা লোইরে। অদুগা মহাজন মহাজনগী খোংথাংনা চংফমদা পোৎ হুরুংগা চুমনী।

রাবৈ — মতুনা করিগীনো ওজাবু ?

মেলৈ — মী ফওবা, হৌজিককানী নহারোল শেনখাইবা Demand letter থাজিনবা কয়া কয়া চংবা ওমদনবনিনে মহাজন।

রাবৈ — (হরাওনা) ওজাবু ওজাবু মতু খরা পুনা তৌবীয়ুনে। কযানো ওজানা পীয়ু হায়বতু কৎচগে।।

মেলৈ — মোম্নু তাইবগে মী উবা যাবা নত্তে। মিচীক মীরাওখোল তাদ্রদা অহিং নোংযাইদা তৌগদবনি মহাজন ।।

রাবৈ — য়াম্না নুংঙাইজরে। ওজাবু ঐনা খঙনা অতুম দখিনাদি কংচর্বনি। খর পূকনিং চনা তৌবিবনা উবো।

মেলৈ — Finance Minister গুরুদোহু বনাগী Demand letter, [illegible] ২/৩ [illegible] ২/৩ লেপতনা লাকলগা হৌজিককি ভুমৈং ফাওবা পাইরগে হায়রিশিনি ।। ভাইখো মহাজন, মহাজনবু হৌজিক হৌজিক পাথংদা হনজিন্দনা লৈ হাননা তাক্লে ।।

রাবৈ — হই ইচানীংগু [illegible] লোইনা ক্ষারে। [illegible] মমা লৈখিদবদগী পাথংদা হনজিনজনবপা নুইবে ।।

রাবৈ — ওজাবু হিশিং ১ না যাংদ্রা শে ২ শী ওইনা পাইনিংরা ওজাবু নুপী যাওদনা পুনশানববু থথারো। (লুপা পী)

মেলৈ — খুংকা খুংকা শীল্লবী। [illegible] তৌজব মহাজন, শ [illegible] [illegible] মাইদা [illegible] হায়েংদ [illegible] মথং মথং [illegible]লবান। (লিকাল পা)

রাবৈ — হোয়দাহ [illegible] কশী [illegible] লাইবক যেংবা তারেদন।

মেলৈ — ঐ য়োনবা তৌজরগে মহাজন। যগ্গৈ মমলাদা কোন্না পীদবস্সু যাই। হোইদা ময়মগা মাঙয়াপোংনজে লীশিং অমতং হেক পিরকলো, দশা লাংথম য়েংবগীদি

পংয়াম য়াম্নকা পিরকল্লমু ২০০ থক তৌরো। লৌ-
দবস্থু য়াবনী অতুদা মহাজন ঐস্থু নোংমগী নামং
মাংলিবনিদো॥

রাবৈ — ইস লুপা নিংথৌ অমা চনি রাংলীবা (ফুরিংথাও হুমই)

মেলৈ — হয়েং লাই খুরুম্না মুনিংথৌ লাইখুরুম্বগী দখিনাগা
পুন্না তৌবস্থু যাইয়ে। তৈৎ লাইরি মহাজন। ফোল
লৈত্রো। ঙসি। Lottery Number কয়াদা চংশ্রাগে
অমুকতা হংজন্নবা। (৫ ইরিক লোইশিনী)

রাবৈ — ওজানা থাকপীবনে লাইখুরুম্বা মুনিংথৌ দখিনা পুন্না
তৌজরগে। Phone লৈনী। ঐনা মরী লোথো-
কতুনা থম্নী।

মেলৈ — এ অতু ওইরদ P. K Jain গী telephone
No. 223630 দা তশা অমুদ্দী কয়াদা চংশ্রাগে অমুকতা
হংলয়ু।

রাবৈ — ফনা ঐ phone অমুকতা তৌরকনা। (মোরা পুব-
গা চংখ, বুধ রাখন্ত ৎংডাইংনা চংলবই)

বুধি — ঙাসাদ ইমুংগী মী অমা ঐংঙোংগা গা হয়নক্লয়ু।
নোইদো যানা নাওগৎনা লাকইজাৎনা।

মেলৈ — কর তৌরগে। হবেংমা।

বুধি — মী ঊশীত্তবা হায়ববু (হোংচীল্লকই) এ সিদী পানং,
মেলৈনিদনা বৈদোবা লাক্লমীবা।

মেলৈ — হায় বুধি ইশে ইশে ঐদি কনাগী লৈশাবীনো হায়দুনা

বুধি — অতু অদা লাইরি খুবাক ময়ী অমুকতা য়েংবিয়ুশে

মেলৈ — কদাই নখুং ওইদু পীবকউনে॥

বুধি — লুপাগীদি যেক্না য়েংনৈ হায়বদাইনে পাবুং।

মেলৈ — হায় ঙাংদনা লেবনু কদাই নখুং ওইদু পীবকউ, ঐনা খঙনা যেগদৌবিবনি। ইস নবি নীদি ফৈগাক ফৈগাক ককইনে।

বুধি — য়াম্না নুংগোবিবজাংলো। কান্নদে পাবুং মেমচাদু ওসি ঙা। Programme থানবনি। অদুগা মানা লুপা অমদা চেল্লনে। অঁ ঈ কাবনা লোইববনি। তারাংইনবা হায়দ্রা?

মেলৈ — অদুনী ওইবু। নুমিৎ লাংঙৈ মনুংদ লুপীদা। নফ মরোল মফম মবাং খদথৈ ননাকতা চেনহন লককে হিচবী।

বুধি — (সনাগী খুজ লৌথোকলগা পী) পাবুং মচুদা শোইহনবীবা। (খুকনই)

মেলৈ — হৌগংলুনে হৌগংলুনে॥ যেংউন মশিনা লৌবিবসে বযাদা নুংশিংনৌ হায়বা।

বুধি — অদুগা পাবুং ইবেইই শনোক অমনী মউন্দ ইনেবেংগী মবুক মনুংদা কাপশিননীগু। ঙাইগদ্রা শেংনল অনৌী খুদাংদ। (পী)

মেলৈ — (লৌশিল্ল) মনা মনিল নাইহাল্ল। হৌজিকনক এগী যুমদা চংশি। নামৈশেল খবদুন যাওবকউ।

বুধি — মী হাংক খাঙনি (চংখি) (বাংনৈ থোবকই)

রাবৈ — ওছাবু 7 দা চংঙ্গ হায়বকই।

মেলৈ — ইস ! 7 দা লাকখ্রবা । পুম্মাং হেক মাংইদা মহাজন অতু'দি ঐ অমুক য়েৌনবা তৌরগে, হুংথিলগীশিবু কয়াদা লাকদগেনে । 9 গা 4 গদা Hit তৌগে ।

রাবৈ — য়েৌবীরো ওজাবু, লাইখুরুম্বগী হুমিৎতু লেপথোকপা ঐ ওজাগীদা লাকচগে । (Phone লাকই) এ ওজা ফোন লাকএ করিগুম্বা Demand letter গীদু ওইরমলবদি কমদৌনি ।

মেলৈ — পাইবিরুচো, করিমতা চিংনবীরদু পাঞ্জি মেলৈ লৈজরি । শেবা হেক্লা থমাইশিল্লগা লোইরে । রাবৈ চিংননা চংখি) (খেলেম্বা হায়জিল্লকই)

খেলেম্বা — এ ! ওজা পাঞ্জি নত্রনে ?

মেলৈ কনানোনে (অনোক উপশিল্লগা য়েংই) এ, সিদি থদ্রকুমদী খেলেম্বনিনে হায় খেলেম্বা ।

খেলেম্বা — ওজা ।

মেলৈ — নংবু হন্দক কদাইদনো ঈরোইবগী ফার্স তারকই হায়বদুবো ।

খেলেম্বা — ওজা, Calcutta দা All India Veteran গী ঈরোইবা তান্নবদা ঐনা First তারকপনি ।

মেলৈ — এ, পাখং নংবু Veteran গীদা লোইহনব্রনে ?

খেলেম্বা — ঐনা পাখংনি হায়জববু মথোইনা য়াদদুনা veteran চী হন্দিবনি । তৌবগীদি ইমান্নবা মচা ৩/৪ শুবা য়াওনরবনি ।

মেলৈ — নংনা ঈরোইবদা করম্না পুক্লিং চংখিদুনা First তা-
রকপনো হায়বদু তমউনে । ঐখোইনা তাবদি নহাক-
শে জুরারগা য়ুগদদি First class first নি হায়না
তাই ।

খেলেম্বা — সুম তৌবনি ওজাবু । কৈকাইশিদা মুংদাং থেংনা
য়ু ভাওরগা হল্লকপাশি ঐদানিদো। নহারোল থেংন-
দুনা ঐবু হ্রারকপীরগা। হাকচিংগী অহিংদা পুখ্রিদা
ঈরোইহনলয়া লোদাও ভাওহল্লম্বসি মশিং খঙদবনি ।

মেলৈ — আ, আ মথা তাও ।

খেলেম্বা — ঐনসু মখোইনা ঈরোইয়ুকো হাবরকপদা ফজনা
লোইবা ওয়বা য়ু থকপা চংলমদাই অমাদ য়ু থকপা
হনকপদা সুম Practice তৌজবা মতুংগী মইহৈনা ঐ
First কা তাজরকপনি ।

মেলৈ — ভালো ভালো হায় খেলেম্বা হন্দক্তী ঈরোইবগী
মতুংদা ঈরুপহনগনি হায়বনিকো ।

খেলেম্বা — লুপথোকসু ভাইদনা ওজাবু ।

মেলৈ — হায় লুপথগা ফাওনলোকপা য়ারোই হায়বনিনে নংবো

খেলেম্বা — মতুংদি চুমদেদনা ।

মেলৈ — খোংতুনা করম তৌখবা । ঐখোইনা তাবদি জুরার
শান্নবগী Police না তান্নে মতুংদা উদুদা তাশিন-
বনি হায় চুমব্রা ।

খেলেম্বা — কদাইদগী কদাইদগী । ঐগী খোং তেকখিবদি ঐনা
ঐখোই দলান্দগী চোংথতুনা শুম শান্নবদা শোইখি-
বনি । (বুধি খোরকই)

বুধি — পাবৎ লেংলশি । পুকফবশি য়াম্না মাংঙৈকো ।

মেলৈ — মাং থাউ ইবো, থবক হেক্তা তৌরগা লোইরে । হায় খেলেম্বা য়ৌরে, য়ৌরে । (অনিমক খোকখি)

খেলেম্বা — কনি ওজাবু । তামোচৌগা চৎ মিন্নখিবসিবু করি-গী ওইরিগবা । (রাবৈ হৌরাওনা চেঙ্খোরকই)

রাবৈ — ওজা'বু ঙাবিবিব্রা, ওজা পাম্বি ..... এ চৎখ্রবনে ।

খেলেম্বা — বাবা, মেলৈ পাম্বিদি তামোচৌগা চৎখ্রে ।

রাবৈ — হায় ইবো, Demand letter থাজিল্লকপা মীশক-শিংডু ফারে হায়রগনা Police ও. সিনা Phone তৌরকএ ॥

খেলেম্বা — অওব্রনে বাবা, মখোই ২/৩ শুবা জাৎলো ?

রাবৈ — মখোই অনিনে হায়'বি । ও. সিনা ফারে হৌজিক সিদা পুরকনি হায়বকলে ।

খেলেম্বা — পুদা পুরক'খিসরু বাবা ঐ থবক তৌগেকো, শেরা মখোংলা মখুৎলা অমা হেকতা থুদেক্কে ।

রাবৈ — হায মতু য়াদ্রে । ও: সি সাহেবকা তাম্নবগা ফন-ফনবা তৌবা তাবা । ইপ'দি জাৎ জাৎ খল্লুরবনি ॥ লৈরিবা সনা লুপাশিংসি বেঙ্কতা লোইনা থমজিল-লুবগে খল্লুরবনি । অতুগা আ অথাপ্পা খুঙ্গং অমদা তুমিন য়ৈশিন্দুনা লৈরুরগে খল্লুরবনি । ইস হৌজিকতি ঈশ্বরগী কৃপা লাকলেদনা । (ইন্সপেটর রাজেননা খাবা অমদি নাওচা ফারগা পুশিল্লকই)

ASI - বিরেন — হায় চংউ Demand letter থাজিনব্রা হায়ববু জেলদা থাজিনগদৌরিবনি খংলব্রা ?

(ইনশিল্লকই)

রাজেন — নাহংজুনা চেনগেগা থনগন্নু, নতুংদা নোংমৈ মরুনা স্তাম্নজরক্কনি খংজ্ঞ।

রাবৈ — ইবুংঙো O.C সাহেব, করিনো তৌবীরকলিবশিবো ?

রাজেন - খুবাইবুংঙো, খুরাইবুংঙোদা Demand letter থাজিল্লম্বা নহা অনিহুনি, মশক খ ব্রা য়েংবিয়ু ।।

রাবৈ -- করি করি হায়বা, খেলেম্বা ফারকলিবা অনিশিবু ননাও অতোনবা থাবগা নাওচাগা নত্রনে (চংশিনুনা য়েংই) মানিনে নংবো ।।

খেলেম্বা — মানি বাবা, ঐখোয়দি হৌজিবকাংগী ইহারোল লালহৌবশিংনা থাজিল্লবগা Den.ard letter রা হায়রগা.........

রাবৈ — O.C. সাহেব, সাহেবনা ফারব্রিবা হৈো অনিশি শোইদি শোইদ্রেকো । অডাং অনিশে অমদি ঐগী ইচা অতোনবনিন।

রাজেন — অমশিনা নচাল্লপা অতোনবগা শিন্নবা নাওচানি। চুমইকো।

রাবৈ — চুমই-চুমই O C. সাহেব।

রাজেন - নচ ল্পা অতোনবা থাবনা, মাগী মমান্নবা নাওচাগা তান্নবগা খুরাইবুংগোদা লুপা লিশিং ৫০ গী Demand letter থাজিলম্বনি । চুমব্রা চৎমদবরা হায়যু॥

(থাবগা - নাওচাগদা যুক্তিলি)

থাবা নাওচা — চৎমই-চৎমই Sir ।।

P.C. তোম্বা — Sir ঐসু পোৎছাপ খিত্তা য়াওজহৌগে ।

(বটনা শুগে তৌই)

রাবৈ — (পাখৎনা) ইবুংঙো করিনো হাৎলগে হায়রিব্রো ॥

(থামই)

রাজেন — হায় তোম্বা, ভাইখো ভাইখো (থামই)

P.C. তোম্বা — হেক শুগাইববু, পুমতোম তৌয়নি ।

খেলেম্বা — Sir, মখোয় ২ না Demand letter থাজিল্লমই হায়বগী প্রমান ফংবিরব্রা ?

রাজেন — Yes, মহুৎগী চপ-চাবা প্রমান ফংবত্তা নত্তনা মখোয় নিনা অনৌবা Demand letter ইরিবৈদা ফাবনি ।

রাবৈ — বিষ্ণু বিষ্ণু ।

রাজেন — খুরুমজরি ইবুংঙো, মীহাৎ-মীপুন চরান চিঙ্গি নমথাক লোনমগী Report অমা হেক ফংবগা Police না থক তুমিম্না লৈথোকৈ । খুরুমজরি ইবুংঙোদা Demand letter থাজিল্লকই ঙাইদা । ঐনা খিন্দুনা Investigation চৎথৈ । অমসুং মনুং ১ Hotel Dreamland দা থাবগা নাওচাগা য়ান্না চিকথনা ব্রাবি শাম্নরমই । Situation অদু উবদা ঐ য়ান্না চিংনখি । মরমাদ মখোয়নিমক শেম্নোক লৈতবা নওমশিংগী কচাওনরবা নহা ওাক্তনি ।

খেলেম্বা — মথা তাবিয় Sir ।

রাজেন — বাব্রী শুম শারব্দগী নাওচানা খোংগ্রাওগী Pocket তগী শিল অমগা Stamp অমা পুথোরকলগা থাবদা উৎলি । মহুৎগী Stamp চুনা মুক অঙাংবনা

ইবা চে ১ দা নমথি। অতুগা চেংজং ১ না শুক-শুক তাশিল্লগা দসবিন্দা নাওচানা থাদথি। civil dress তা লাকপা ঐনা চা থকচিন্নগা মখোয়নিবু Watch তৌই হায়বশি মখোই ২ দি থঙলে।

নাওচা — Sir, ঐদি তৌওমসি য়াম্না হায়জবনি।

রাজেন — Shut up

Hav. য়াইমা — তুমিন লৈযু হায়রগা (নাওচাদা কাওশিল্লি)

রাজেন — মখোয়নিনা চংশ্রবা তুংদা ওসাই নাওচানা দসবিন্দা থাদরম্বা চেহু ঐনা য়েংলুবদা Seal শাংগী Cash-memo ওইরমই। Cash-memo তুদা ইরম্বগী মতুংইন্না Stamp শাবা Thangmeiband গী য়েংখোম পীশক ফাই, মাগী তুকান Raid তৌই।

রাবৈ — সাহেবপু মথাদি ?

রাজেন — হায়রিবা তুকান Raid তৌবদা নাওচাগী Seal তুগী Block ফংই। মসিনি য়েংবীয়ু।। (ঠয়াংদা উৎলি) মথংদ ঐগী Investigation বজারদা লৈরীবা P.C.O. Telephone শংদা চৎথৈ। বজারদ লৈরিবা P C O. শিংদ ৫/নাম্বস কোল তৌবা লৈবরা, লৈরবদ পাউ পিরক্রবা ঐনা খংহল্লি। মতুগী কল ফংথি। থাঙ্গাল বজারদ লৈবা Agrawal Traders কি P.C.O. দা থাবগা নাওচাগনা নহারোল লাকহৌবা শারগা কিংহন-কিংহন্দুনা Phone তৌই।।

খেলেম্বা — মদুদা Sir না মখোয় অনিবু কাবা নত্রা ?

রাজেন — Yes, মফমদুদগী ঐনা মখোয়নিবু ফারকপনি। মসিগী মমাংদা Agrawal দা ঐনা মখোয়নিনা Annonymous Call তৌবা, Threaten তৌদশিংদুগী Tape-record লৌশিন্নবা থংহল্লি। নচাহ্নপানা খুরাইবুংগোদা Telephone দা কিংলক- পদু অমুক্তা তাবিয়ু। হুজুর Tape-record দু অমুক্ত

হোলদার য়াইমা — ফনি Sir (Tape-record পিশিল্লি)

(Inspector না থাদুনা তাহল্লি)

⇒ লুপাগা নথ্‌বায়গা ওন্নবা পাম্বরা ? নমিঙুম্না কোইন ইন্নরিবা ঐতোন্দগী হনুবা নওনা কদায়দা নম্বোত্তুনা চেনগনি। লুপা লিশিং ৫০ গীদমক হনুবা নং গুলি চবা পামত্রা হা।। শিনিংলগদি থগত্রে, শিনিংত্রবদি হায়নখিবা পুংখম অমদি মফম অতুমক্তদা ... ... হা হা হা ... ...

রাবৈ — হৌজিকদু খেলেম্বা ননাওনুপাগী মখোন মানত্রনে হা।

খেলেম্বা — ঐদি মানদেবু বাবা।

রাজেন — নচাহ্নপানা মখোল ওল্লগা তৌরকপনি খুরাইবুংগো (নাওচাদা) হৌজিকদু থাবগী মখোল নত্রা ?

(Stick না নাওচাদা কনগে তৌই)

নাওচা — অচুম্বান Sir, মানা মখোল ওল্লগা তৌবনি।

রাজেন — ঙসি ঐনা মখোয়নিবু কাগে হায়দুনা ইম্ফাল সহর- দা লৈবা P.C.O. লোয়নমক থিংজিন্নগা হুপ্পতগী Agrawal গী P.C.O. তমক হাংদুনা থমই॥

মতুদা নাওচাগা খাবগা লাক্লগা Phone তৌনবা হোৎনৱিষ্ঠৈদা ঐনা মখোয়নিবূ ফাবনি। নচাক্লপানা মখা তানা পাবুংদা থাজিনগে তৌর। চিঠী Stamp Seal ময়ামতু শিদা লৈবে অমক্তা যেংবীয়ু। (ঊৎলি)

রাবৈ — মাবু চউনা-শাংনবা যোকপীবিবা হেক পোকপা মপাদা Demand letter থাজিনবা, Phone দা ভাইহাক লৈতনা কিহনলকপা পাপীগী মচা নংদা হাৎলগেদো।

খেলেম্বা — মসিগী পভাংশে লোইশিনলগে হেক্ক (থাবরু ফুই)

বাজেন — ভাইখে ভাইখো অমুক্তা Please (খামই)

খেলেম্বা — অমা নাওচা হাযবদুনা কদাই (মুগদবগী লামহবই)

নাওচা — তানেযাই ননাওবু ভাকপীয়ু, ননাওদি তৌগুমশি য়ায়া হায়জবন॥ ভাইনা স্থকযা যাদবা।

(মখুং .ল টৈ)

রাবৈ — হুবানবা নখোযসিনক ওসিদ হেক লোইশিল্লগা লোয়রেদা। (হোৎচিকই)

খাবা — ফু নখুৎ পেন্না ঐবু থু. ভতুগা ওকনবা নচাবু ময়াম মমাংশিদা হাৎতোবগীদ।

বাবৈ — য়েংউনে মশে। (হনথৈ)

নাওচা — ভাই নংনা পুন্নমক থোকহনবনিবা। ঐনা কযারক তৌগুমশি হাযবদসু নংনা য়াবা কৌবা লৈখদবা। হৌজিক্ক জেল চংবা তারেদো। নংগা

শঙ্গ তৌরুবদগী নাওচা ইনমস্থু তৎলেদনা, ফরে হায়বা। (কপই)

A S.I বিরেন - এ! কপশিন্নদনগা তৌরিনে হে হুরানবা নং হোরেল লোকঅপতা নথুবায়ছু থুদেককেবা খংগনি।

P.C. তোম্বা - হৌজিক্তগী হৌরশিরো। মী ফুজগে হায়বগী থানা খল্লকলিবনি ঐদি।

HAV য়াইমা — হে খুবাক ময়ী ৈফগক ককপা নংগী হাক্ত- কতা ঐ লেংবানগী "V" কেনলমংদৌরিবনি। ইনদোকও-হনদোকও হায়বা।

নাওচা — (কপই) হোরেল Lock up তগী থোরকপদা ঐদি শোয়দনা Disfigure ওইরনি Sir ॥

(রাজেন নোককেং তৌই)

থাবা — ঐ ইশানা য়ারি, ঐননি পাবুংদা Demand letter থাজিনবা, ঐননি খোল ওংগা Phone দা পাবুংবু হুম্না হনা কিহনকখিবা। মচানা মপাদা অসিগুম্না পৌহদবা থবকশিং অহু করিগীদমক তৌখিবনো হায়বতু খঙনিংব্রা ? খঙনিংলবদি ঐ হায়গে।

রাবৈ — থাবা

খেলেম্বা — খোল রাংথৎলবপ্রো হায়ববু মশি ওসিনে (P.C. ১ না ফুনিংনা চংশিল্লকই, রাজেম্না মথুংনা ইনথোকই)

থাবা — নথোয়না ঐগীদমক করি তৌবী, নথোয়না ঐগীদমক করি থনবী। মপানা মচা খোমৈ-খোমদোন ঐগী

করি তৌবিখি । মনাও অতোনবা ঐগীদমক ময়াম্বা নখোয়না করি তৌবিখি । পাবুংনা ঐগী ইফি-ইরোল, লাইরিব-লাইশু রাৎতনবা হোৎনবীখিবনা। নিঙাায় কনবা তামোয়াই, তামোচৌগীদি পাবুংনা মখোয়গী Demand হেক্তা পীবিবা নত্রা ? অদুগা নখোয়না অতোন অতাংনি হায়দুনা চৈহৎ লাওহৎপী-রবা ঐগী দাকং ই থৌওইবিখিদে নত্রা ?

খেলেম্বা — খাবা ॥

খাবা — ঐস্ত মীনি নখোয়গুম্না শেংনিংইবা, চানিংইবা । অদুগা করিগীনো ঐগী ফংযম থোকপা চাবগং ফিদুংবু মৎকে থল্লিবা ! নত্তে নখোয়না করিগীনো ঐগী ফংফম থোকপা অধিকারবু শিনরিবাঃ অদুগা বা য়াম্না ঙাংদবা, ফংলরোইদবা রাবৎপু হন্না-হন্না থাংকৎপা পামজদবা ঐবু পাংদনী হায়না হাপরিব্রা ? No, মতু য়ারোই, অতুংগা মৈগী চীং অমা পাসিদি নখোয় শুংগী মাংদা পোকখাইরবদে নত্রা ?

রাজেন — সাবাস, মখা তাও ॥

খাবা — পেন্দবা নিংতমদনা লৈবাক-লেইকা শিনা বরনা লাঙ্গোই-চনবা থবনা চাহি বরা দুগা ২ শিবা থৈনি চারগা ছত্র শাল্লদুনা হেক্লক হবনি । অদুবু কুমগী নোং কয়া য়াম্নবস্তু, রবচিংগী উনেন কয়া নংশ্রবস্তু লকান্নংগী চাকলিবা মৈরীদি অম্মুম-অম্মুম হেনগৎলকখি মতুমনি মচাগী চাকথুং পীবিদ্রবা, মচাগী

ফিথুং পীখিত্রবা মপাদা পেনজত্রবা মচা অতোম্বনা **Demand letter** থাজিনখিবা ॥

রাবৈ — থাবা, ন্নুপামচা ॥

থাবা — ইকুই কুইদনা য়ুম মৈ থাখিনজুস্লু ঐননি ॥

রাবৈ + খেলেম্বা — থাবা ॥

থাবা — মীতোপ-মীরালগুম মমা অমত্তগী পর্ভদগী তাদিন্নবা মনাও অতোনববু তুহৎপীবা, মপা-নস্থ মীচাবোক্কম মীবাইবিবা অতুগুম্বা মীওই কয়াগী লৈরিবা য়মশিংগী মখাদা ঐ মীকুপ অমা ফাওবা লৈনিংঙক্কে ॥ ঐগী শরুক থুবিদ্রবা মীগী শরুক সুনগীরবা মশা-মশাগীদা খনলবা কয়াদুদা তায়নফম থংদ ঐনা মথাইই পান্নবা য়ুমাশিদ মৈ চুখি, ঐ গুমশিদ মৈ চুখি ॥

(কপলকই)

রাজেন — Oh ! my God.

নাওচা — ভাই, ভাই (মথাই-বাই)

থাবা — তামোয়াই, ঐদি ইমাগী খোমলাংস্থু থবপা যংক্ত-রক্তুবনি, ইমাগী গুংশিনবা চেংলৌ শক্তমজুস্থু উবা ফজক্কে ড্রবনি, অস্তুক লায়বক খিরবা ননাওবু করিগী ন্নুংশিবিদ্রিবনা ? ঐনা ইয়াম্বা নখোয়দা থকশি-খাশি য়াম্না কায়খিবা লৈনরনে হায়য়ো তামোয়াই ॥

খেলেম্বা — ইয়াম্বগী ইবুংঙো মথা তারগনু ॥

থাবা — পাবুং নচাদি ইমাগী অস্পাক্ত হরাওনা নোকখেহুনা শান্নবস্থু ফংহৌদ্রে । ঐগী ইফমদদি নংনা ঐগী

ইমানি, নংনা ঐগী ইপানি। হায়য় ইমা, নচা অতোনববু কবিগী ত্থাং-ত্থাওই তৌবীবগে। নচানা ইমা পাবুং নংগী নফমদা কয়া লানথবগে ?

রাবৈ — (কপথংলকই) নয নি, নযনি ৈলচিল পোমাই হাংদুনা য়েংথরকউনে ইবেম্মা, নচাগী পাওখুম মপা ঐনা করন্না পিবশিংগনে নযনি।

খাবা — ভাই নাওচা, নং ৈবু বাবৌগন্নবো মরুপ, ত্রফব-গীমু ফত্তবগীমু ঐগীদি মরুপ নং নন্না কনমু লৈজদে'

নাওচা — ভাই কপকগু Please নংনা কপ্পা উরগা নাওচাগী থম্মোয়শে পুবা যারকত্রে।।

খাবা — Demand letter গী Mission দা ঐনা নংবু চেন্নখি। মতুংদমক নংনা ঐবু থাবশীয়কো ভাই (খুকমগে চোই)

নাওচা — ভাই, Don't Say like that, অতুন্না হাযগনু Please (কোয়বগা কপিন্নৈ)

খাবা — ওসিদি ভাই নংগী পীনা খাবা ঐগী থম্মোয়শে তশেং তশেংহায়। ত্তুবু ভাই খাববু রাহনবা পীরাংদু তাহনলক্লুনন ভই (যপী ঈংথোকই) Inspector সাহেব, ঐগী মরুপ নাওচা মবাল লৈতে। মাবু ওাকপীয়ু। আইনবু ওাকশেন্নবা লৈরিবা Sir না আইন কায়বশিংবু, আইনগী চপ-চাবা দন্দিতু যং-হনফম থোকই। Yes, I am a criminal Please arrest me. (মখুৎ ২ মক থাঙ্গৎলি)

নাওচা — নত্তে নত্তে Sir ফাবা তারবদি নাওচাবুস্থ ফাবিয়্ ঐবুস্থ ভাইগ্না লোইননা জেলদ থম্বীয়ুনে Sir Please Please (মখোং পাই)

রাজেন — হুজুর, অনিমক Hand Cuff চনশিল্লু !

রাবৈ — নত্তে নত্তে O.C. সাহেব, মতু°দি তৌবীগন্থ ।

খেলেম্বা — Sir, ইনাও অনিবু থাদোকপীরমউ । মখোয়নিবু ফাবা পুনবা হা'য়াতুদি তৌবিগন্থ । ইয়াম্বগী ইবুংঙো সে সে নংনে ঐখোয় Sir গী মাংদা পাবুং নচা লানজরে মতুং মনাও তৌজররোই হায়না অমুক্তা হ'য়্যু ইনা'ওশিদি ।

রাজেন — মপা°মচ মচিন°মনাওগী থন°খা হা'য়বশি লৈত্রবদি ঐখোয় মীওইবগী সভ্যতাশি মাংথরকপা তাবনি । অতুগা মপ°মচাগী মরক্তা পুনশিবা থম্মোয়মুংগী শক উদবা লিপুন অতুস্থ তৎখিবা তাবনি ।

খেলেম্বা — মচম নাংহল্লগনে ইয়াম্বগী ইবুংঙো, মপা°মমাগী মফমদা মচা ওইবশিংগী ভক্তি প্রেম লৎনবা হায়বগে পাপনিনে মুপা°চা । বাবাদা লাল্লে হায়জদনা কনাদা লাপ্নে হায়জকগনি ।

খাবা — পাবু° নচা ...... --

রাবৈ — ইপাগী ইবুংঙো ইপা পেনলে মুপামচা (মচাবু চেজেৎ কোনশিল্লি) ইচানা য়ুম মৈ থাগ্রবন্থ, ইচানা ইপাদা Demand letter থাজিল্ল-

বস্থ ইপানা ইচাব ঙাকপীরবনি। মচাওইবশিংনা ১০০ রক লাল্লবস্থ মপা-মপা ওইবশিংনা ১০০ রক ঙাকপিবা তাবনি।

খাবা — পাবুং ভাই নাওচাবুদি ঙাকপীরোয়দ্রা ?

রাবৈ — করগী ঙাকপীদনি নাওচা।

নাওচা — পাবুং (মপী তৈথোকই)

রাবৈ — কপকন্থ-কপকন্থ ইচাশিদি

(মনঙন্দ মুংশিনা পোপ পোপ ফুবী)

ঙসিদগীদি নখোয় নত্তবা বাখল খনবা য়াদেকো ইচাশা।

নাওচা — পাবুং।

খেলেম্বা — ইনাও অনিসি ফাগে খনবীরিব্র Sir

রাজেন — ফাফমদি থোকপনিনে।

রাবৈ — অদু ওইরবদি ইপা-ইচা ঐখোয় লোয়না যংবিরগা জেলদা থম্বিরো। মরমদি ময়াংগা অমদি মপা ঐগী স্থ চ ওরবা ঈরাল লৈ।

রাজেন — হোয়, ঙসিগী Society অসিগী Problem কয়াশি নৈনহনা য়েংলুরগদি থবক ফংদবা লাইরিক লাইশু হৈবগা ইংরোল কয়'দা থবক পীবা ঙমদবদগী সরকারগীস্থ অচৌবা মরাল লৈ। মসিদগী থোরকপা Crime কয়াদা ঙসিগী খুন্নায়শিনস্থ Police তা অরানবা মীৎয়েংনা য়েংবীরি।

খাবা — Sir

রাজেন — প্রজাশিংগী মরক্তা থোকলিবা crime কয়াবু প্রজাশিংনা মতেং পীদনা করগ্না Police খক্তনা নমথবা ওমগনি। Police অমদি প্রজাগী মরক্তা মুংশিনবা থাজবা থমলবদদা crime কয়া control তৌবা ওমগদৌরিবনি। অমরোমদা খর ত্থুং-দাং তৌদ্রগদি করগ্না হবান-চিন্থি নমথবা ওমগনি। অদুবু Police হায়বসে মীনি, মীনা ওইবনি। নখোয়গী নচা-নগুশিংনা প্রজাগী সেব। তৌনবা সরকারনা খনবা খাকী শেংপা কর্মচারিনি।

রাবৈ — O C. সাহেব হৌজক কালগী Police শিদি ...

রাজেন — হোয় চাক চগিং অমনা চেং চেংকোক অমা মাংহনবগুম মতিক চাদবা Police Officer খরনা Department অসিবু চেনথহল্লে।

ওসিগী খুন্নাযনা লান্না উরিবা Police Dept. শিদ Police কা Public কা মরি য়াম্না ফগৎনবা হোৎনবা Officer য়াম্না লৈ। প্রজানদি Po:ice পু মীন্নংশি থংদবা শেঞ্জা-থুমজা য়াম্না পাম্বা ওইনা উবী। মাস তৌবিগন্নু।।

খেলেম্বা — Sir

রাজেন — খুরাইবুংঙোগী Demand letter গী Case তা ঐ খুরাইবুংঙোদগী চা গ্লাস অমকাও থকচখিদে।

অতুবু ঐগী ইথৌনি থন্দনা ঐনা কন্নবা থী হুম্মদগী মরাল লৈরবা মীশক্তু পুথোকচরেদনা॥

রাবৈ — অচুবনি Sir, Sir বু হন্না-হন্না থাগৎচরি ।।

রাজেন — ঐনা appeal তৌজনিংবদি Police পু হুংশিবীযু Police পু লান্না লৌবিগনু Police তা সহযোক পীনবীযু ।। পুলিসনা প্রজাগী দমক থবায় থাজগে ।।

নাওচা — Sir ঐদি Police পু যান্না হুংশিজ। Session Court কি থোঙ্গাংদা ছত্রং থেংনা শান্নরিবদে হুমিদাং Duty তাবা পুলিসতুনা মাগী Overcoat তু ঐথোন্দা কুপ্পীংলীপোংনি।

রাজেন — নাওচা, Police প্রজাগী যেক্কবা নত্তে। Police নথোয়গী নয়াম্বা-ননাওনি, নখুরা-নাওনানি।

(Protophone পুথোরকই)

C 30, C 33/B 15 calling, Good evening Sir accused ২ মক মপাগী মনাক্তা পুথোকহরে॥ হজা ২ মক বারক বাজেম তৈজরগে হন্দক্কি মতাংশিনদদি action লৌবিরসু হাযনা কন্না হহজবে। Sir গী advice অমত্তা Please over (নাহাংদা অশোমদগী হায়রবপতু তাই) হোই Sir মতাংশিগী মন্না Immotional ওইবা approach অমত্তু লৈরমলে। I thing he will come on the right path, over.

(অশোমদগী হায়রকপা তাই)

Thank you Sir Roger over and out.

নাওচা — (হরাওনা) Sir ঐখোয়বু থাদোকপীরম্লগদ্রে ?

রাজেন — নাওচা, খাবা তাও ইয়াম্না বা হায়গে, নখোয়না অরানবা তৌরবদি Police না ফাড্রবস্তু ঈশ্বরনা নখোয়বু শোয়দনা দন্দি পীগনি। ছত্রং শাম্নরগা হুরাল-মিশ্নি তৌগে থনগনু। নকোক্তুদ চাওখৎপা রাখল থল্লু ॥

খাবা — Sir না থাকপীরিবদু অচুম্বনি।

নাওচা — Sir ঐদি হযাওনা ছত্রংগী লানমী অমা ওইরগা পৃথিবীগী এরেলেন্দা ইনা লৈবাক্কী ফিরালশে রাংনা পায়হনগে খাদিবনি।

রাজেন - Very Good, খুরাইবুংগো মপাগী প্রেমগী থৌরিনা হুংলিনা। দিশীঙ্গরবা মচাবু থাশেংননা পূবা ভুং। হাচনা ঐ লংচদে। S P. সাহেবভুগী অয়াবা লৌজরগা খাবা অমদ নাওচা থমজরগনি ॥

নাওচা+খাবা -- Thank you Sir, Thank you Sir.

রাবৈ+খেলেন্দ্রা — (হরাওনা নমস্তে তৌই) থাগৎচরি Sir.

রাজেন — ভড়ুগা মপানু রাইনবা, মচাগী পেঙ্চন্দগী খোইশাওনরবা Demand letter শিনা মপা-মচাগী প্রেম থৎনবা শক্তল ওইরগদি শেগাইরম্লগে Demand letter শে। (শেগাই)

ডিমাণ্ড লেটর

(ময়াম হরাওনা খুবাক থুই) অতুগা **Demand letter** কংলবস্থ, লাম্না খোং থাংজিন্নরবা মচাগী ঈহিং-নাইহিং শারবা থবায়বু থেমজিনবী, কংফম থোকপা মচাগী চাকথুং-ফিথুংগী অধিকারবু পীবিগনি খল্লিবা মপা অমগী থম্মোইডুবু **Inspector** রাজেননা ইকাই খুন্নজবগা লোয়ননা সলাম কংচরি ॥ (রাবৈনা সলাম কংলি)

সলাম ওকই, মচিল-মনাও হরাওনা কোনশিন্নৈ ॥

Light - off

(লোইববা)

